গীজাঁগী কাংশি মখোল

IN THE MEMORY OF
LATE, MISS. ROJ TANGKHUL
BORN ON 01-03-1970
EXPIRED ON 03-05-1993.



গীর্জাগী কাংশি মখোল



রতনকুমার

"GIRJAGI KANGSHI MAKHOL"

A Collection book of Sevtnteen— Manipuri short stories by Ratankumar Mangang Thoubal

অহানবা কোংবা : এপ্রিল ৬,১৯৯৭

কোংকপা : কাইত ব্রদর্স পব্লিকেসন, থৌবাল

মখুম য়েকপা : থাইখোম্ব মনাওবী সিংহ

মখুম পুখোকপা : শাপম গোবিন্দ্রো সিংহ

মমল : লুপা ২৫

লাইরিক মশিং : ৫০০

কংকম থোকপা : অহৈবা

নমকম : থাইঃ ভিঃ ইয়ুঃ থৌবাল।

কচ্চরা

কখোকগ্রবী নহাকৌ নক্ষমদা
কচ্চরী ঐনী মপুং ফাত্রবা
ৱারী মচাগী লাইরিক
"গৈজাগী কাংশি মখোল"

রতনকুমার

ৱাহৈ খরদং

ঙম্লেরোইদবা লম্বীনি থংনা থংনা চংলি ঐ। মীশাম তাং-লুবনা চংপা ঙমজবনি মহুদি মপানগী অহুপা মহুংগী মৈরাশিংগী। খুদোংথিবা, ইকাইবা নংগনি তৌজিকহন্নু থাজরি। অহুবু চংকনি থন্না চংলিবনি মৈরা মতাল তুংইন্না। খোশারুদে তৌজিত্তি শিরা-চংবা, ইকাইবা অহুনা খুদোম্মীবা। নোংশা অহল অমনা হায়-খিবদো নিংশিংলকই, "ঐখোয় মৈরি বাক্লগনু তিংথং তুম্বৌ থিরুগনু।" মৈরাশিং অহুগী মতালদা উরকই ঐগী চে কলম অহুপা বাখলগী লংলা কয়া। মহুনা ইরিবনি বাখশগী মপুং কাম্রবং বারি মচা কয়া। খংজে মমিং অসিমকন্নু মতিক চাম্রি চাজি "গী'কাগী কাংশি মখোল।" অশোয় অয়ানবা খুবিংমক তাকপীযু হায়না মিজরি।

লাইরিক অসি নম্নবা হোৎনবদা তেংবাংবিরকখিবা মরুপ-মপাং, ইচে-ইচল, লাই-গুরু অমসুং মনিপুরী সাহিত্য্যা পরিষৎ খোবাল মশা অহুপা মকওইনা লাইরিক পুখোক্নবা হোৎনবদা অচৌবা খোদাং য়াবিখিবা ইয়াম্বা কোংব্রাইলাৎপম বঙ্কিমচন্দ্র অহুপা অবাবা খংদনা লাইরিক পুখোক্নবা হোৎনবদা তেংবাংবি-খিবা বাই: ভি। ইয়ু: গী ইচিল ইনাউশিংবুসু ঙমৈথৈ লৈতনা থাগৎচরি।

অর্থ থংনা হিংগে থম্মুক,
নাকল্লগী ইনশিল্লকই,
পিষ্টোলনা কোক্তা।
চুম্না হায়গে থল্লম্বা,
লাম্না হেক্না হায়জিনখি।
কদাই অচুম্বদি—
'হুপা কদাই হিংবগী অর্থ—?
ইনিং তমজগে,
অচুম্বদা থম্বিগম্ব পিষ্টোল,
থংউ পুন্সি অভাওবনি।

রতনকুমার

য়াওফম তাকপা

খোঙ্হাং

থা অনমুক্তী নিংথৌনা হেল্লম্লগনি। অয়াম্বা পৈশাঙ্গ নংত্তু, ওপ্পত্রগী লুপা চাত্রকথকুনি। নোংমনা পার্টি ভোবদা, নোংমনা জ্বার শায়বদা, নোংমনা হেং্তেল অমদা চংলুবদা কৰিসু লৈতরা পৈশানি। অদুগা অমুক অমুক্কী শোয়দা নত্রগনা থবক হাপ-তে কহাপচিদা মশিংগা নায়বগা লুপা খাউকাউ-খাউকাউ ফংলক্পদু কোক্কাইহনি। অদুবু কৰিগীনো মহাক্কা ওপ্পত্রগী লুপা চাত্রক-থক্কুংগী এবু অদুক বাহল্লীব,স। মচন পাক্লী হায়দুনা ভোবরা চংয়ং লাকউ, আ-ংচিং লাকউ, য়ুমশকৈশা ছুমীৎভা লাকউ। ওস্তোকপা হায়বদুনি চয়েং হায়বা বাহৈশীগা হংচিং হায়বা বাহৈ-শীগা লৈরমদ্রবদী ঐগী পৈশাদু নহাক্না ফংবা য়ারবনি। অইব-শিংবু শোগৎপীবা হায়বসি মথোয় য়াম্না হৈনদ্রবরা থংদে। লাইহিরিক লৈনবগী পৈশাও মচানগী চংগ্রগনি থনবনরা নত্রগা লুপা থরদু পীননবা লুপাগী মকা ভাইহিরিত্রা? ছুন পুমমক্কী মকোক্কী মহাক্কী, নিংথৌনা পুক্নিং শোগৎপীকম খোকপনি!

[illegible]

অহুনা পুৰম মৰকা ভাৰকপা হুৰম্ন মিকপ্ চেক্‌কাইং অঁংৰোকু-
লুৰঙী হেক হুৰকপখা চিঁলহুনীন্না বাম্নেগনি খন্দুনা লোম্নকপা
খক্লোম য়াউবা চিংনি অচাঙ্বী চাঁ অঙ্গু খোংবগা চুখিবগে উন
মহি ওল্লয়ে। চাংনিবা খুম্নবগনি কাম্নবী বাখলদা অমুক্তং
চুপ্লগা মপান খোৰক্কে।

নোং চুৰা লেপখিৰয়ে। অহুৰু অতিয়াদদি অমুবা নোংহৃমশিং
লৈরি। শোয়েশক্কী নলাশীংদা ঈশিং তুংহুনা লৈরয়ে। ওয়োক্না
কয়া চুৰম:বাকদা নোংসে—!

তাস হৃয়ি পানবনি, থাগী মশকমক উত্রবন্ন কিমুদা মহুং-
মলুং হুংপওম অৱংবা খৱানমিচাকশিং খরদী অমংবা নোংহুম
মরক্তগী না.ম্মাক্রবা হোংনরক্রি।

"ইস : নোং অসি চুখিগদোক্রিবা মাগ্নি, মুংশিং হনজিল্লকই"।
হকচাংসে ইংলক্কনা কি অমত্তং ঈনগে খন্না উমুংদা চংলকপদা
খোংগী হেক কানশিনকমদা মতম কুইনা মাংলুরবা এগী বেঙ্কী
পাসবুকতু ভাহুনা লৈরয়ে। মাংঙ্গে হায়হুনা অমুক রিনিয়ু তৌকবা
য়াবনি অহুবু অয়াম্বা পৈশান্থু নংতে ভগ্না ত্তৌরগে খন্দুনা লৈং-
খোকলুবনি। য়ারবা মতমসিদা ঈশ্বর লৈবোরে খল্লকই। অহু-
মকপু কয়া লৈরমগদবনো য়েংনিংমনগ্রহুনা কাক্লোকতুনা য়েংই।
লুপা চামাগা কুনদং লৈরমই। চিন্নবা মতমসিদা পৈশা থরা অসে

[illegible]

[illegible]

[illegible] ।

[illegible]
থনা হেৎখোকখুই, অহুবু মশিংগী ভাদ বিংসিরেং[illegible] মখোয়শু লেপ্পু না লৈরমই ।

"হাবমা কবি-হায়ুগে তাদ, জিদা খোম্বা কাংবৎনীয়কউ" ।

"ময়েদা ময়েদা, নংবু হয়েংগাসিবু শংরুনে ?"

"কবি তৌশিগে তাদ অরুবা থবকপুদি লৈতে ।"

"শুমংতৌবনিনেহে, নচলহুনী লশিভাদো লাইওং থংদবা লায়না অমনা ন্যায় । ভশিংগা থা মখাউমুক কারংরু । মৈতৈ মাইবনা লাই হুংশিংবনি লাই থুরুম্বগা ফগনি হায়হুনা লাই থুরুম্বগা অমুক য়েংলে অহুবু কবা কৌবা লৈতরে । তাদনা থনবদা নচলশি লায়েংগংদা পুথংলগে লেপ্লে অহুদা নংনা মিৎশিং-নাশিংবা হায়বদো কৌই অহুনা হয়েংসি নংগা থবা চংলুশি হায়গে,তৌবনি ।"

"আও তাদ চংলুশি ইচংগীবু এথোয় লৈরিবসিদা চংশি চংশি চয়েং ভস্তু চংশি ।"

মহাক থুনা হনখিগদ্রা থনবনি অহুবু চনখিবা তৌদে লুক-থহুনা লৈ । মহাকী মাইথোংদা কবিগুবা থরা চায়নিংবগী মমি তাই । ঈশিংগী অরুবা মরেপ থয়ে মরিনা য়েংলগা থংই অমুকা হেন এইগনাব্লা চংলক্লুনা,

"নংবু পৈশগী পাইত্রনে; পাইবরী লুপা চানিযুক্তা লৌগে, থুরেইক লিংলকে। ফৌরঙ্গীবী শেল পীরক্লবা নৈ। নঙসারুপীর নাৎসিদা ইরাম্বা কোক ভাউহনা তোবনি।"

"তা'দ চৌজিকমক্তী নৈতে, হয়েং নৈগনি অহুবু মহুহ চানি তরোই চামামুক্তনি।"

মণ্ডক হায়র হায়রহুনা,

"ফরে-ফরে মহুবু নৈরবদি খরমথৈদি শিন্দোক-শিজিল তৌনবা হায়বহুনি।"

চিরবা ওআশিদা ওহোকপা হাযবহুনি অহুবু পিনবদী মাগে অনাবনা অরুবনি থিহুনা হুমহুনা।

ললিতা, ঐনা অমাং ওইরিবৈদগী লোইনবরুবি ইচম্নি। লাইথি শাম্নবা, মক্ষমকোনবী শাম্নবা, উরাউবী শাম্নবা অহুদগী ফি মতং শেৎতুনা অদিং অবাম্বাগী মতমদা লবুক্তা তেলঙ্গা থাগৎলী শাম্নবা পুম্নমক ঐগতা লোইনহুনা পাক্লবিনী। অহুবু খংহৌদ্রে নৈশাবী শরেপ হেক্তা ফাথি। নৈশাবী ফ'রবদসু ইকমদা কার অমত্তা কোয়খিদে।

ঐনা থাবি মচাগা অমুম ইবসিদা চিঠি ইবস্ত ইহরম্নগনি খন্দুনা চিঠি ইবিরু হায়হুনসু হেক্তা মরাকই। গৌজিকসু ইমিৎ-শিনা শং-শং উরি মহাক্তা লুপা মযুমদা চৎলমদাইদা পুম্নমকপু বিদাই পীবা মতমদো, মমাই মমিৎ ইপোম পোম্নদনা, তোর্বল নিংথাইদোবমথৈ চেনখিবা চাংজৌ মাম্নবা ইচেলগুম, মহাক্তী মিস্না থম্বাল অহু পীরাংভনা থুমহৎথিবদো। কয়াদা থুনা হৌজিংগ্রবা

মতম্মে। ! ওয়াংতা ওইরবোহ্নি নিংই অচুম্বু অৰ্থাং 'অনিগী মমা ওইরবা ফংব্রে অহুগা অমুক হৌজিক্কা লাইঙং থংদবা লায়না অমনা অমুক — ।

ঐনা মখোয়দা য়োঁবদা অনাবদী হায়না পুখংলম্মে। চা ফাউবা থকপা শংদনা তাদ বিহারি ঐখে'য় অনিম্বু অহুমক ইম্নরক্লে !

ল্যায়েংশং হেক য়োঁবগা অনাবদী হায়া বেদ কংহুনা লৈরম্মে। হৌনবী মতুংইন্না অ:চৌবা দাক্তরহুনা অনাবা থেংলগা হিদাক লাংথক ইহুনা লৈরম্মী। শন্দোম খিংতুনা মুপা অমস্থ লেপ্তুনা লৈরমই। মতু মঙাকী মপুয়োইবা ওইবা তাই। লুহোংবা মুমিংতু চরাং-নখিবনা বর ফাউবা মশক থংতৌদবনি।

ঐ লাকপগী শামিন থবা ফংবদা ললিঙাতু মমিং তপ্না-তপ্না পাংখোরকই, পীরাংতনা থুমহংলকই। ঐনা ফমুং মথক্তা কমথহুনা মরাইবক অদূ নাল্লগনা।

"এ: এ: করিগী কপ্লিবনো ইচলসিদী, মঃাইনা ফজরকনি। করি অনংতা বাক্লগন্নু, দাক্তর অচৌবগী মনাক্তা নক্লিবসিদী।"

তাদা বিহারিতু হিদাক অইবা চেহু পাইরগা ইনাক্তা চংলকই। ঐ অহুমক থংই।

"সে নখোয় অনি লৈমিন্নরম্ম, নংগী তাচৌগা ঐগা হিদাক লৈমিন্নরুখিগে।" তাদ বিহারিতু মচলবু নাল্লম্লগা এখোয় অনি খোরক্লে।

নাপ মপালদা রিক্সাতু থারে থজাল বজারয়োমদা লাক্লে

থাজুপা মথক মখা পাখা অৱাংবা, মুখ অমমদা চংলক্লে। তাদ নিংমাখিত ঐদী তুং অহুম ইমক্লী। করম্বা মতমদা চমখিম্ননো শংদে মহাক্কী বিড়ী মচৈহ, অমুক অনিমক চিংলগা মচু ল্যাউনা লংখোকখি। "ইমুংগী মসিদগী লৌমনবা নহাক্কী পৈশাঙ্কুবো ?"

মখিং অহু বাংলবা মুমু মর্খক্তা য়েংশংখি।

"আও তাদ মসিদগী লৌমনবনি।" খোইনা খোশাকলে, তাদ বিহাখিদু মচিন্দা কয়ি কাঁয়নো মুকম-মুকম শোল্লকই,

"ওঠোক্লা নিংখিক্লনম্ম শাগ্রেদা, নিংথৌগী কোম্মুংগা চপ হেক মাঙ্গেহে। পৈশা অসি পাইগ্রবোইদা সরকারসে, লাইরবা ঐখোয়গীন্দু মতেং থবদী পাংবা ময়াবক্লাংনি।"

পৈশা অহুম্মু তনা ফংগত্রা থন্নবসি অত্তুবু লুপা তরা ককহৌরে। অমেম্বা লুপা চামা ওরাহু পুহনা তিদাক য়োমক্কমদা চংলে। তাংম্মু তাংখ্রে, হিদাক থবা অহুম্না লুপা মখিফুত্তবা তাই। অমেম্বা কুন অহুম্ম তাদ-বিহাখিদা পীরে। ঘড়ি য়েংলুখদা দাক্তর বাউত লাক্কলোমরে। খেংথগ্রবদী কুইনা পম্মগনি খন্দুনা অনাবগী মনাক তম্না পরব পরব লাক্লে।

দাক্তরগী অরৈবা হিদাক থমা থারম্বগী" লৈতাথেদো মমাম মখিং থবা পাংলম্লে। পুক্কিংসে থবা লৈতাক্লরে ঐম্মু, তাদ বিহাখিদু।

দাক্তরগী চাক য়েমক্লে। ঐখোয়গীম্মু শক্কক থুংলম্মে। ঐ

চাকহু কনা শিংশিনা ময়মরনি, চুমিন্নাংহু চাবোই চাদবোক অচুম্বক লেনপ্রবনি অহুবু দাক্কনী চাক ইহ্লাংসে ঐ শুকইহেক হৈনপ্রবনি.। পাবিগা প্রোকবিগ্নবা ইনেহু নাবদা শেবা চংপীনবা, লৈতবদগী ঐ থা অময়ুক অনা লায়েংশংদা লৈবহু চাক চাবা চাং নাইদবদগী অনাবগী মতুং ,ইন্দুর্না ঐহু নাগে তৌকরবনি ।

হোয়দা, মুমহু পংলাপ লাকহু নংতবা থাইথাকং চংখোক্ল, রগা চাবহু য়াই নত্তগা ওলি চয়া হেমবদা শিগদবহু নত্তবসিবু অহুবু থাংবা য়ারকল্লে চমিং চঁমাং শম্নকল্লে । লোতেম্দা ওইরবহু চথোম অমতং হুকপা য়াত্রা য়েংলুগে খন্দুনা, "তাদ ঐখোয় অনিবু হোতেলদা চাক চথোম অময়মদং হুকপা য়াত্রা য়েংলুশিদনা।"

"ঐদী চাবু কয়া চামিংদে, নং চাথে'কলুগা ।" ইশুক' শুকথনা থুম্নকই ।

ঐহু থংই তাদ বিহাবিদো·পৈশা য়ামদবহুদা হোতেলদা চংনিংল্লে । হোয়দা করি কাম্নবা হোতেলদা পৈশা অয়ুক তিংলুহুনা, মুমদা কং চংতুনা চাথো শলুরগা লোইরে । চী-লাউনা থাকচবা লুপা তরানিথোইহু লুপা তরানা তাদদা পীরে অহুগা লুপা অনি অহুমনা তরাগীদমক পাইশিল্লে । ঐ হোতেলদা শাহুনা চাক চাবা থোরক্লে । চংলদা লমিতানা শোম্বাংননা, "তা চন্দ্রা থাপ্পা চংখোকপ্রম্বকো ।" ঐহু ময়েক শেংনা তাখিদে অহুবু অহুমক থোরক্লে । রিক্সাগা অমংতা তোংল্লে, খোংনা গাড়ি থাকম কাউবা লাক্লে । হুংশানগা য়াক্না শাবনে ওম্বোক্না বাল্লে ।

চাক চাবা হেক তোকপগা পুনা লায়েংশংদা চৎকে খনবান অহুর বানগা লাকপনে, অনাবন্থ খোইদোক্লা কলকৌদে চাইহাতং তিংখোক্তে খন্দুনা কমজাউদা লোংনা হায়খরে।

চাইচাক তুমথক্লরবা মায়ে, মীকপ মীয়াউখোল অমম্ভুং পুং ঝাদগী মখোল, অমনা ঐবু মিকপ থোকহল্লে। মরুক মরক্তা লপিত্তা লৌলিত্তা হায়বা তেংথায়রকপগী খোঞ্জেল তায়রক্লে। খাই লাউই, কমজাউদগী খুংচোং চোংথহুনা মপান থোরকপা মতমদদী উরে, তাদ বিহারিদো অতোবা ফিজোলনা লৈতেংলহুনা মপী ঈয়া চেম্না কুঃ থাংবা য়াউরম্লে। পীক্লিবা মচা অনিহুনা থবাই য়াউক্রবা মমাগী হকচাংহুবু কোইতান তাম্লার। খুংহৌদনা ঐগী মীৎ অনিসে পীরাংতনা থল্লকলে। পীক্লবা কা মচা অহুদা তত্তনা খোম্বাং রৈয়ক্লি, "তা চন্দ্রা থাপ্পা চৎলুগম্বুকে।"

ফাইরেন '৯৪

চৌঃবৈরোং

মৈরাংপুং

নোং'স ইমং মংহুনতা কৈ, কুইরক্রে অসুম্না মংলক্লিবসে। চুর' শুকচু চুদে। অমংবা নোংগী মপৈ-মপৈদি লাকই মাথকে কয়াদগী ইফ'ল সতর মপুং তম্না। পাউক্লেন কয়া শীররি অতম অথো য়াওতে ংব'শিংদা, ইপাম লমদম মৈরাইরে থম্বী মৈকল্লরো, নপাম্নি ন:মেম কয়া তম্না চৎথে নসংসারসে থাদোক্লুনা, কল্লরো কল্লরো থৃস্তাক লানশিরে।

চংলেক্লন কম্মিসন্না খোকপা হুকুন ম'তুংইন'। প্রেসাইদিং ও'ফিসার ওইনবা চে অহ ঐগীসু ফংলে থররা নকপদা'ওইরম্লবদি ফগদবনি আদা "মৈতোংদা" চা.ন্দল তৌলাগী আ মফু'দনি। ইরাং নাতে চ'খিত্রবা মফম অমদনি।

অনুক্ত, চা কপ অমা থকপা ফাউবা লোইক'ত্রি। থক-লমদবনা কেন্না কাযমগনি অসিগুম্বা মথলগী লক্লবসি লক্লরমগনি থুম্লম্লবাদি। কোল্লিং বেল খিংলকই, খোং চাংদোকলুই। ভাইগাক লেঙ্গী থ'ল্লি, করম্না ভাউশিম্নবা অচাংশিংনোনে অযুকসিদা। খোং-না:কতুদা লেপ্লিভৈদা হৌজিক্কী বেলগী খোঃঙলহু অমুক তারে। হৌজিক্কদা থংলকই ঐগী বাথলনা পুক্লিংবু চক্লম্নি। চংশিন্দুনা রিসিভর অহু পাইখৎলে। মসিদনি ঐনা বারোরিবসে হৌজিকপূ অমুক য়াম্না থুনা।

[illegible]

[illegible] অমা [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible]

থাবে। চোংকী অমনা [illegible]। [illegible]

বেদিং অহু য়োম্মা য়োম্মা।

"নিংথীবা হৈবা চংশীবু লমদাবুগা ঐদি ইপামা পাথৎকে।" ঙরাংদবিকি অমাংগী মুনিংকোম তুবীদবনী মাপা ঐগা খংনাখবমু অহুবু মুংশিনরক্লবা মাল্লে। থোরক্লে চাকৌলগীদমক মিল্লো অমা ভোংহুনা।

খুনদি য়াইমরুপ চাউই, অহুবু ইতাক তাকই কনাসু উবে মরক মরক্লা অংগল অমংনি চংপগদি অহুম মউই। মাশি অমা ইথাউ য়াউদে, উগ্বা অহুমক ছোরি, চীং অহুমক উরি, য়ুম অহুমক লৈরি। মরুওইনা থবাই হাপ্লিবহুনি মরাং কায়না উত্রিবা।

ভোট থাদগদবনি হায়বাস কনানসু .থোশানদবঙুম ভোই। ভোটর চামরি কুম্রি লৈরবা, পুং তরেৎতগী হৌবহুনা চৌকিক পুং ১০ তাখা ফাউব সদা থাদনরিবা ভোটর মশিং তরামথোই থক্লনি এ ভক্লি, তাওরি বাংং কয়া অমা লৈরি ছৌকিক।

পোল্লিং ষ্টেসন আন অহুদা ঐথোয় ওফিসার নিপালনি, অনি অমনা চিংথীনি, তরুক অমনা নৈতৈ ভাকুনি ঐথোয় তরুকী অহুমক ওক্লি ছৌকিকসু। কপ্দা রায়ক্লে, কা মতম অমত্তা চাপে কায়হুনা থোক্লকই, ছুকান উদে। ভাইহাক লেপ্লিঙেদ

[redacted]

"ঙোম মামিংঙিন কম্মকেঙা ঙ

"ভোট থাদক্করক্র ?"

"হুঁহ থাদকখ্রে, থাদকপে চায়হনা লাক্লিরবনি ।"

"করে অহুদি নগাক থেংনবা, ঐ থোক্নাহুদিং খুঙিনা চইনা লাক্লিরবনি । খুল অসিগী মহমদা নহ'কা যাখি থবা ফাহানদ্রে ।"

মৌ অহু নেককেং ভোহ, "অহোম শারসে কায়রেন ।"

"নখেবাগী খুল অসে অমুক চাউরগা মী অমতা লৈত্রিবসিদি করিগীনো ?"

"ওহো ওজাদি থংবিগ্রবা মাল্লে, চৌংমী মপেল হুৎনবদা খুংগী মী যাম্না শিত্রে । অচাং অসিগী মপাবুহু থাংনা কত্তুনা হাৎপীগ্রবনি ।"

মথা তানা চংথরকবা ওমহে ইচিল অসিনা যাহং কয়া— । হুগী অদো মপী নৌরকই, মচ তুহু মশক ফাজ মপোপ মতাং কৈ, য়েংবদা নিংথী । ওাইহাক মংল্লংদা তাওরিঙেদা হুগীহুনা মথা ভারকই

"ওজা ঐসু ইম্ফালদা বিঃ এঃ লোইবা ফাউবা তমহুনা লৈরম্মী মতমহু অসিগুম্বা ইমাংসে লৈনরমদে, গৌজিকতি ঐ শিনিংলে তম্বসু তমদে ওসি শিগত্রা হয়েং শিগপ্রা ইগ অসিগীদমক থবা হিংল্লিবনি । চৌংগী ইরাংদা কথা অমা শিত্রে, কয়া অমনা খুল থাদোকতুনা চৎনরে; হৌজিক লেমহৌরিবসে ঐথোয় কুম্রিপাল

খক্তনি। থৌরকফম ইখুল অসিবু চুংশিন্তন। শাগোম্জরবনি। শিরবন্থু মকক অসিদা শিজ্জরগনি।

চুপী অহু বিদাই তৌনবগা ভোট থাদবা চংখ্রে। মতাক মপুক্লিংদা পেন্দবা চামা চামা লৈরি। চামগী মহুংদা খরদা ঐতোন্দা ফোংদোক্লম্বা। কনানা খংনি ফম দাংবশিংনা মীংথেং চংবীজ্রবা থকমতু অহুগা শিবা ঙাইরীবা মীওই খরহুপী খবাইতু কম্নবনি দমক শীন্নরকপা পাউথাংস্থ ওইরম্বা য়াই। খল্লি পুক্লিংদা ইম্ফাল চেক য়ৌখিবগা তোল্লবা থূল অহুগী মরমদা খবর কাগজ কম্বাদা তগে চায়নী।

চুংখীলগী পুং মরি ফাউবতু ভোটর মশিং কুনদগী চেম্না লংক্কে। অযুকতু থুল অহু বিদাই পীরম্নগা চল্লক্লে।

নিনি চুম্মি চৌজিনখ্রে, থুল অহুগী মরমদা ইগে খল্লকপহু ইবা ঙমদনা লৈরি। ঙসিদি খবক খন্না কোম্লে থন্দুনা চে কলম পুথোকই ইবা চৌই থুল অহুবু মীংথেং চংলীনবা।

খবর থোনবা মুপাতুনা খবর অহু লংশিল্লম্নগা চংখ্রে খবর অহু লৌখংলি ইরম্মী ময়েক অচৌবনা মকোক্তা, চান্দেল জিলাগী মীতোং থুল তুম্না মৈ থারম্লে, অচাং যাউনা মীওই চুম্নিপালগী অশিবা চকচাং ফংলে। অতৈ থীবা চুম্নগী খবক চংথরি।

থূক্তগী কলম তাখিবা খংহৌদে। লাঞ্জপ্রবী মমা মচা অহুম্ন অশিবগী খযাত্তা তাখ্রে। নিংশিংলকই মাগী পেন্দবা বাতৈ খরদো

ফেব্রুয়ারি – ৯১

নগালেণ্ড,-যু· হেবোতো

" হলকখোঙ্কো "

অরোইবা শরুক্কি মৈতৈ লৈবাক্কী খুঙ্গং অত্ত । খুঙ্গংতুগী লম্বী থুদিং মকম থুদিং ষনলমনি উফুল তাকনি । পংচাউ চাউবা খুঙ্গং নংত্তে, শাংনা খুন্দাবনি চিংয়াগী ওময়াদ লম্বীতুগী মরক্তা ।. খুঙ্গং-তুগী থবাইনি বস অমথক সহরগী । প্রকৃতিগী শক্তমদি বাৎপা নত্তে কবিগী ।

মশা তিক তিক লাউনা কল্লবা খোংনাং বোং অত্তুগী মখা-দনি কুমলাথননা নারবা, ফক্লাং থুদিং মকম থুদিং কিষ্করবা, মহুৎ মহুৎ হুৎলবা অপাংপা ইতনা কুপশিল্লবা, শিরমদাইগী মতমগুম তাইতুনা লরিবা চপ্পরবা স্কুল অত্তুনা লৈরিবা ।

লাইব্রিবক্তাউ অত্তুদা বোর্ম্না মতং অমা য়াল্লগা লাকই পুপা-মচাগু স্কুলতু তম্না । মমাম্নবশিং য়োম্নকত্রিভৈদা মমাংদা কমগে থম্না । ক্লাস হৌত্রিবা ফাউবা লাইব্রিক পাতুনা লৈজে ।

অনোকতু থুবিনা হায়ফেত্তুং হনথৎলগা হায়রকই ওজাতুনা, ইবে'ত্তোন ।

খুমজৈ, ওজাবু ।

নংনা মমাংদা ফম্ম্রিবা করিগীনো ? মমিং মনা শংত্রিক য়েংই ।

ঐনা ইহান.হান্না লাকখবান ওজা। মথা তারকই ওজানা, য়াঁরোই মনিংদা কনমু।

বা ওয়াংদে সুপামচাম্নু কয়খি মমিংদা খল্লি পুক্নিংদা, ইমুং মঙুং সুংওাইনজগা ভাত্রদা তাইনবসি কত্তবনি ওজাদুগী। মনাক্কা কয়ন্থো সুপীমচা অমসু সুপামচাহুনি মনাক্কা ফুমথহুনা অমুক কম্মীমখি।

ওজাহুনা অমুক হায়রকখি, ইবেমকল নংদি মমাংদা অত্তমক কম্ম, মনিং কম্বা য়ারোই। খুমকখি সুপীমচাহুনা, য়াগনি পাবুং মনিংদা অত্তমক কমজগে। মপাহু মথা তাখিদে।

থম্মোংস্ন কায়খি চামস্নী মমুংদা অমনি। থোদোক কয়ানি য়ারি কয়ানি। নোংমগী পীরাং কংখিদবসু কোঙ্গায়নি।

খোঙ্গেল অমা তারকই। ফু হুই মপান্দগী, কনা কনা লৈবগে মতেং অমুক্তা পাংবিয়ু।

উরকই সুপামচাহুনা চকা পুখরিবা যনগাড়ীগু।

কনাদসু তাক্লবা ভৌদনা চেনখি সুপামচাহু মতেং পাংখি জোম্নবহুগী। হল্লকপদা উরম্মী অচৌবা চৈ অমা ওজাহুনী মথুত্তা। অতাং অহুবু ফুরম্মী ফুম্নিং শেগাইবমথৈ। মপী তাহুনা য়ানা থাংজরম্মী। চৈনা অহু কংলম্মী সুপীমচা অহুসু সুপামচাহুবু কোন্দুনা মপাদা ফুবিগনু হায়জরম্মী। অহুবু অমুক্তা হন্না তাম্নো- ক্লম্মী সুপামচাদ, ফুলদনি।

ময়ুম্দা হন্নক্লম্মী হুপাম্চাহু ভাংলম্মী মসিংতু। নুঙাবী মখাগী অপোকপা মকমশিংদা হিগ্গা চৈথিবম্মী।

হুপীমচাহু লাক্লম্মী কপম্মী অপোকপা মকমশিংহু উক্লগা।

শপোকস্ত্রি পাক্লবা পৌবুক্কা মীৎয়েংশী কাংবা লায়া। অইংবা হুংশিং শিঙ্গে। হয়েং নেং ভাগদবশী মওংগুম হুংশা য়াক্কী শারি। বা অমইংভা ভাংবদে হুপাযচা হুপীমচা অনিহু,,.কম্ম শরকী নাকল বোকুল পাম্বীহুগী মথাদা। কনাগুম্বা হুপামচা থুমনা মথুত্তা শাক্কৈ পাইহুনা শক্কুপ হোয়হুনা চীংয়া ভম্মা চংনক্রি।

ভাক্তগাকী অচিকপহু থুগাইহুনা হুপীমচা অহুনা হায়রকই,

নচাক চংপা ভাবরা?

মহু নভুনদি ঐগী লম্বী চৈদে।

থুম্লকই হুপামচাহু মপী ইয়া চেক্কা।

কয়ম্বা মতমদদি উমগনি নংগা ঐগা?

হুপীমচাহু কম্নি, খঙ্গোয়হুংদা লানমৈ চাক্রি, ভংনয়গদবা খঙ্গোয় অমগীদমক মহাক কপলি, কয়িগীদি কপলোই, কনাগা মন শেনবা চংমিয়গনি, কনাগা স্কুল চংমিয়গনি, কনাগা জোশংদা মন ভাকমিয়গনি, কনাগা শিং চন্নমিয়গনি অহুগা কনাগা লোয়ননা হন্নাম মপাগ মরক্কা ক্কেকু লোৎপী শায়মীয়গনি। ইচং থোনা থুম্লকই হুপামচাহু, ঐনা মভিক চারবা মতমদা, ইহৈ মপুং ফারবা মতমদা ....। কম্নি মখোয় অনিমক অমনা বিদাই পীরমগদৌরি অমনা বিদাই পীখিগদৌরি!

বসন্তু অরাংঅনবগী খুদংগী মীওইশিংবু কৌথোক্লহনা থৌরক্লি। মচাক্লা সংগ্র তম্লা পুখিবা মীওই কয়া হল্লকখিবা য়াই হল্লক্তবা য়াই।

থাম্বা য়াম্বরোইদবা খোংচৎ অহুদা মুপীমচা অহু মখোল খোক্লা কপচবা নত্তুনা উপাই লৈয়মদে। ইল্লিবা কিনাদগী লুপা যাখৈ পুখোরক্লম্মী অমম্নুং চেনা য়োম্বা তল থরগা, চেঙরক্লিবা পীরাংনা মমাই মমিৎ থংখিজ্রে। মুংশা মচালনা ঙৈবদা তারক্লিবা পীরাংদো হিরা মচেৎ খ্বিনবগুম লংলি। অহিক্লববা খোজেলনা মখা তারকই,

"করে নহাক চৎলো অহুবু ঐনা নংগীদমক করিগুম্বা অওক্তা পীনিংঙাই লৈতে তল অসে লম্বীদা চাউ অহুগা পৈশা অসিনা নংঙাকী লম্বীগী মত্তেং পাংসনু।"

মুপামচাহু থম্মোয় পুবা ঙমখিজ্রে মুপীমচা অহুবু য়েংলম্লগা থম্মোয় চেৎনা কোনজ্রে। মুপীমচা অহুনা পাউমেজ্ঞরকই,

নহাক্কীদমক ঐ লৈগৌরি, নহাক শোক্তদনাদি হল্লকউ:কা। নং য়াউদনা ঐ লৈ'ঙম্লোই।

বসন্তু থাম্বে উফুলশিংগা লোইননা। তোংথংজ্রে মুপামচাহু হম্লা-হম্লা য়েংলম্লগা। মথুং হায়নৈ আনিমক পুল্লিগরা নত্রগনা মতম থরগীরা কনানা থংনি।

ফাইরেন '৯২

থোইরাংপুরেল

চেক্লা পাইখ্রবদা *

হয়েংদী য়াওশঙনি । হয়েংগীদং থবদা ওসি হয়াউ চুংতাইবা য়াওবনু কে ঙ হৈনি । ১৪নি পাবা থাজসে ওজোক্লা নিংথিবে করিগনো ? ৪নি পাবা থাজদগী হেমা নিংথিবা পুনিমা হায়বা অমা হয়েং লাক্লদোরি হাথবগী শুন্নি ওসি আসনা অচুক য়াম্না নিংথিরিবসে । মসিসু প্রকিতিগী শুন অমনি ।

মশিংদেদগী হয়েংগীনি চায়তুনা ইমাপবা কয়াগা পুল্লুম্বা; ঘুমদা পোখারগে চায়তুনা হৃঙ্গিল্লকপনি অতুবু মমাগী মথাদা ওইনজবা ফংদ্রবা ইচা অনিতুনা ঐগী ইকমদা ওইনদনা কনাদা ওইনরুগনি ।

“ববা ঐ ফুরিং ফজবা লৈবিযু, খোংগ্রাওসু, খোংউপসু অচুগা ননাউগীসু শৈবীযু । হয়েং বাংবল মাপ্পথোয়মা ননাউ ইবানি য়াউশঙগী নাক্লথবা চংতোইনি ।

. ভচংসুপা অহন্দু ময়া ইথি থিগৎলগা ইনজন অসিদা কোল্লহনা হায়রকই ।

“করি ! লৈবীরোইদংগ ফজবদা লৈগদৌরিবনি, নংগীসু ননাউগীসু ··· অচুগা করিগী বাংবল মাপ্পথোয়দা চংলুগনি, ববা লৈরিবসিদি ববানা পৈশা পীগনি ইচাগীবু বাংপা য়াব্রো ? চংলো চংলো লাইরিক পাখোকলুরো ববা কিরোল লৈরকগে ইচাগী ।”

ওঃ : ওম্বোকপনি। মীওইবগী য়ুম্বানবগী পুক্লি হায়্রবসিবু অসিরা ? অসিগুম্বা তমশিন্নবা চৈনা করাসে ফংগনি খণ্ডমন্নবদি করিগী লম্বি অসিদা খোঙদাক্নগনি। মীক্লিচুদা কেখোক মৌ-খোক্লা ইমাগী মথাদা ঐনা কয়াদা ওইনজখিবা অহুগা হৌজিক্লা পিক্লিবা ইচাশিং অসিনা মমাগী মথাদা ওইনজবা হায়্রবদো ফংজ-বনিকো ; হে ঈশ্বর। ঐনা নহাকপুদি ঋরোদবা ওয়রোই, চৈনা কয়া অসিনা কোকত্রিবনখেদি।

পংখোং খেংবা মঙমদি নত্রি, অয়ুক্কী পুং মাপলমুক্তি তারগনি। অঙাং অনিহুগা চাক চাগে হায়্রহুনা ফমথবদা মঙাইরি, মথাথংবগী খুয়া তোমালদো চুরি তাকমদা লেপ্তুনা থংকো হেক কৌরকই!

—"বে'য়াই, হো বোয়াই, নৈতবজাংলনে ?"

—"করি তাকপীগদবনো খুড়া, নৈরে।"

—"হায় লাউনেহে খোরকউবে বাব্রি অমংবা শান্দিনে, ওম্বোকপা হায়্রবন্নি, চাক চঃথোমহু থাথরে অহুগা খোক্লকই,

"করি তৌসিগে খরা।"

"'সিনি নংবু বজার অচৌবদগা হায়গংকদবা নৈত্রা ওসিসিবু ?"

"হায়গংনবা হায়হুনা চাক চাগে তৌরম্বতা ঙাইরম্মীবনি।" করি তৌরবগে অহুক ঋাম্মা থুরিবহুবু"

"শুম তৌবনে, নচাম্বুপা অহল অসিগা হৌমিন্নবা ঐপী অঙাংছু হয়েং য়াওশঙনি ফুরিং লৈবীদে হায়ছুনা মমাদা মশমবু ফোইবও অমুক-তোয়বা লোইহৌরে। নঙনা ইম্ফাল চংলবৃদি ফুরিং অমত্তা লৈরকউ, কজ কজদবা ইয়াদ য়াই চপ চারগা লোইরে। ঐ চংপা য়াবনি অহুদা নমাখোকতু মশা ওমদহুনা লৈবহুদা থাদোকপা ওমদ্রে অহুনা সে, লুপা চাম্মসে, অসিনা কোয়বা অমা হেক্তা লৈরকউ। অদি হায়রগা ফিজিদঙ্ চাম্ম চংপী অমা লৌখোরকই।

"হোয় হোয় খুরা লৈজরকে, ঐম্বু চংকে হায়হুনা চাক চাগে তৌরবতা মঙাইরি॥"

তাঞ্জাসিদা অঙাং অতোম্বহু শিরগে মতমগুম কম্না হেক কপখৎলকই। খুরা তোমালহু চংলগে চায়রম্লগা থোকল্লে। খুকপ অহুদা পাথৎহুনা চেনশিল্লবদদী মোরোক চারুরবা মাল্লে মতিন অয়া অয়া তাহুনা ওন থোইহুনা লৈরম্লে। অঙাংহুগী মনাক্তা অমুক চংলুবা তৌদনা য়েন্নখা তম্না চেম্থোরক্লে। লাঙথৈ মতোল অমা'নি তাপ তাপ থংহুনা শুরগা মহি পীথক্লে। মোরোক শাবা ফগ্রে, অঙাং কপ্পা তোকল্লে। ইবুংতো অচৌবদা অঙাং শিন্নরম্লগা কম্ফাল তম্না হায়গংল্ল ক্ল।

বি: টি: য়োদনি, মমল অয়াম্বা কি.জালস্তু লৈবা ওম্ন:য়াহু থম্দুনা অ:হাংবা থিহুনা কজ কজবা থল্লি। মসিনা মকজুরে থম্দুনা ফুরিং অমা থল্লে, মতমহুদা ইথা থ জদনা খোঙ্গল অমথক,

"সোমদা অমুক্তা থোকপীরকউবা —" ঐনা ফুঙদা ওস্থোক্লগা মতমদদি তৈরবীগী শক্তম লৌরদুনা মহাক অদো ইমাংদা ইচাউ চাউনা লেংলুনা লৈরম্মে ।

থগুহৌদে ঐঁগী কোকথক্তা ত্রক জিলিং জিলিং তারকখি । ঐ তৌকর্ম থুগুখিদে, মীং অনিসি থমকম 'থংখিদে, থংহৌদনা চিন্নাল অসিদগী থোকখি, "করিনো .করি পাম্মি ?" মহাক মমায়দু নোনখৎপা তম্মখিদে হায়রকই, "সোমদা অমুক্তা থোক-পীরকখো মী তারবদি ফজদে ।" ঐন্দু মাগী ভুইমনা লোয়রক্লে ।

মস্নাং হোটেল মঙ্গুংদলি, ঐদি কমত্তনা কেঁদ্রবা অশাবা মুর্ত্তিগুম অত্নমক পংশিন্দুনা লৈরে । নোনথংলকপা মতমদাদ হা অমসুং চানবা অচা-পোংশিং লৈরম্লে ।

মহাক্না মথা তারকই,

"ঐ নহাকী নকমদা য়াম্না লানগ্রে ইয়াল অত্নুতদি নগাক্না কোকথোকপীযু । হয়েং শীরবন্দু মৈ কৌবা দেবতানা এবু থক লৌশিনবিররোই ।"

"নহাক্তী নয়াল লৈতেনা । লৈরিবদি ঐনি, ভুংগী কীয়েপ থগুদবনা নহাকপু অবাবদা তাহল্লুরিবা ঐসিনি অদ্র নগা "

"নত্তে ঐবু অমুক বাহনবীরগম্নু, ঐনা হায়জবা অসিমতংদি স্নাবীযু "

"ঐনা মংবু বাহনবা নত্তে হৌজিক মংনা ঐবু অমুক বাহল্লগম্নু । হৌজিক ফাওবা নত্তগী পেন্দবা ইকথদা লৈরি নত্রা ?

চায়খ্র ঐগী ইকয়দা লৈরিবা নহাক্কী পেন্সবচু ।"

"করিগুম্বা লৈবা বাকয়বুদি নৎতে, পুম্নমক নহাক্না ওবা থবক ভাক্রুনি, সিনি ঐ .... অঙাং অনিচু অমুক্তা উন্নজগে, নহাক্কী যুমদা চংলকপা য়াংরোইদ্রা ? ইচা অনিদো, মরাইথক শিরবনি, এ ইচাগী মশক উনিংবনা লাংতক্লরে। ঐথোক্না অয়াবা অচুম্বংদি পীনবীয়ু ।

"অঙকপনি ঐ নংবু থাগৎতবা ওমদে, হৌজিক কাওবা নহাক নচাগী খুংগিবগী প্রেম লৈরি । ঐ নহাক্কী নকমদা ইচাগী শক উৎনিংই, অদুবু ইচাগী বাচং চাম্ন চান্নদি ঐ পাউথুম পীবা ঙম্নরোই, অচুম্বম্ন মথক্তা নংদি শাগৈ হোংগ্রবিনি । নংনা নচা উন্নবা লাকপা চায়বসে মুন্না থম্নু, লৈকায় মীনোক চাউবনি । চৌক্কিক ঐ নংবু অঙাং অসিগী মমানি থম্রে, নংগাক ঐগী ইচল অমগুম থম্লে ।"

"অদু ওঙ্গরগা করিগী অঙাংশিং অদুবু ঐগা উন্নবা য়ারোই ।"

"ঐ কোক ওাউরে, নহাক নচা উন্নবা গুকয়া য়ারোই, ঐনা অথিংবা থম্নিবসিনি। যাগনি উন্নবা, হয়েং অঙাং অসিগী লুংচাংবা মতম, নং ঐনা চচি য়াথ্রে গুরকপা মতমদা, হৌজিক্তি নং ঐ চচি কুম্ন্না গুভ্রিবা ভাক্রুনি ঐ চংলগে, নংগা ঐগা হৌজিক মরি অমত্তা লৈনদে অদুনা নংগা লৈমিন্নবা ঐ কী .... "

"কয়র নহাক্না অচুমক থম্লবদি ঐ নহাক্কী নকমদা অয়েংপা অমুক হম্না পীয়রোই, অদুবু নহাক্না হায়থিবগুম ঐসে নচানি

খল্লবদি হাকম অসিমতং য়াবিনু। হয়েং য়াওখতনি অতাং অনিচুগী কীজোল অহুমতংদি ঐ লৈজরগে।"

"মারে নহাক্না খল্লিবা অহুতংদি পাতখোবচরো" ঐ ফুক হৌগংলি, ঐনা হৌগৎপগা মানা ঐগী খুদাং তাপ পায়রকই, ঐ পাখৎনা খংয়েং য়েংখোকখুই, নোকক্নেং হৌনা হায়রকই, "চা 'সিতংদি থকপীখো।"

"ঐ থক্নিংগে, চাক চারগা লাকপদা মতাইরি"

ঐ হোটেলগী মপান্দা কমছুনা লৈ, নিংশিংলকই খজিবু চৈরাংবা য়ুমীত্তা লাই খুরুম্বা চৎপদা লৈবোক চৌংগী চৌংথক্তা মহাদেব খুরুমগা খোয়রকপদা ঐনা কাগী তৌবদা কক্কোহ য়াক্তা মানবী য়াত্তাহনা ইহি হিগংলগা পুক্নি পাংহুমা নোকখিবদো হৌজিক্তা নিংশিংলকই, মানা নোকক্নেং তৌরকপা মিকুপ্তা।

লম্ফাংনবা বাখলশিংনা তাইহাক তুমং-জুরমাগে, মহাকী খোজেলহুনা ঐবু মীকপ থোকচল্লে। মমাংদা অমুক অনিরক কৌরবজাংনি, ঐগী ইত্তৌহুদা মহাক করি খল্লমগদবনো খংদে। মহাক্না মচাগীদমক অপাম্বা থন খন্দুনা লৈরে। কিয়োলশিং অহু চেখাও প্রাসঙ্গিক অমদা ছাপচিল্লগা ঐতোন্দা পীরকই। ঐ চৎলগে কাউবা হায়রমদনা খোংদৈ পুনা লাক্লে।

বস তোঙখংলে, বাখল অসি ইখাং য়াংই, ইহাং হাংই। অকাউবা অমা তৌবগুম তৌই, অহুবু নিংশিংবা ওয়ত্রে। বস খারে, য়াঙনা চেল্লে। শোরোক মপানগী অশংবা পাম্বীশিং উজরগা

থুখলসে ইনৌত্তা নৌয়রকই। মহাক্না ঐগী ইনাক্তা লেৎদনা নৈরহ্নবদি ঐখোয় অনি চংকুনা হয়াউ হয়াউ খোকখিরহনা ইচাগী ফিরোলশিং অসে নৈমীহ্নহ্নমগদংনি! অতুবু অঙকপনি হুপী ওইবি, মচা অনি নৈয়বা কাওবা থাখুন লেপ্পা ওযদবা অয়ংবত্তা পাবা, মসিবু হুপী থুদিংমক্কী ওইরবক্লাংলনে।

ঐনা লাকপা উবদা ইচা অনিদো থোদাল তম্না চেপ্পোয়রকই। ঐনা নাকল নাকল পম্নহনা মুখদা চংলক্লে। ফিরোলশিং অহু শেংচিন্নরহনা ছায়রকই,

"ববা ঐগীসে কজয়া?"

"কাইর কাইর ইচাদি কাইর।"

কনানো কৌরক্লিবসে ছাবত্তনা যেংথোকলুবা মত্তমদদি থুয়া তোমালহু মুথ তম্না চংলকই। থংনিং নিংশিংলকই, থুবা কোমালগী মচাগী ফিজোল। ইচা অহন্দু ইমুঙদা পয়প পয়প থাঙজিল্লে অহুগা ইচাগী ফীরোল অহু লৌথোকলীর, অহুগা থুয়া তোমালদা মনা পীরকপা লুপা চাম্মহুগা লোইননা পীখ্রে। ঐগী ইকৌহু উরগা থুয়ানা,

"কম্নিনো যে'য়াই নঙনা তৌরিবসিবো? সে সে কন্নি তৌবগী পৈশাশি অমুক হল্লক্লিবনো? লুপা চ'ম্মসিনহু ইচাগী ফীরোল নৈবা কোম্নরম্নোই, থুবা লে'য়না থংই, ঐ অমুক হাপচিন্নকখিনি।"

“নত্তে নত্তে থুমা, থুমানা লাম্না উবিরে, ঐনা খু'পা 'চাহুবু হুংশিল্লনা তৌবনি।”

অহু ওইরবস্থু য়াদে, লৌসে অসি হায়রগা পৈশাদুং পীক্লপা খোকরে। মতোঙ্গা অমুক য়েংলুরে, পেন্নি পেন্নি লৈরিবা ইচাহুবু চেংনা কোল্লুরে অহুগা,

“ববা লৈরিবসিদি, ইচাগীবু ব'ং:প্রো, হয়েং অয়ুক ওম্না ইপা ইচা কিয়োল লৈবা চংকদবনি হায়সে কপকম্ব। ওত্তাং ওক্তা লবা চিম্বালনা পেন্নি পেন্নি হায়রকই: ‘ববা হয়েং শোয়দনা লৈ বযুকো।’

য়াওশঙ '৯২

মোইরাংপুরেল

দার্জিলিংগী মীথুংশং

পিকতক চেংতক মগুনতনা থল্লবা মকময়ুগা চাম্রনা খিল্লম্বা মীথুংশংনি। চৌংগী ইলেবাক অদুগা উনবী থেল, দার্জিলিংগী পীক্লবা মকম অমনি। খুডো য়োনা তোংলিবা বিভল-ত, খুডো মথা য়োনা লৈংলিবা ওভরকোট, কম্ফোর্তি, কোক্কী শাময়ুগী তুপী অমম্লুং থুংমোকাদা উনবী অহিংবা হুংশিং অমম্লুং কুংনা ভারিব্রা উন মকুপশিং কাউজিল্লকতুনা হকচাংগী মফম খুদিং চিক চিক লাউরি।

হায়নথিবা পুংকম নংজনবা লাকপনি অদুবু মীথুংশংদা অঙাংবা ফিরাল অমম্তম্লু উত্রি। মীথুংশংদা চংলকপগা রাম-বাবুনা তরাম্না ওক্লকই, 'লেংশিনবীরকউ দাক্তর বাবু। ওসিদি ইবেম্মা য'উরকপা উদেনা মহাক্কী কদাইদা থম্বীরম্মে।' মতম পুম্নদা ম'মামোন নোকত্তুনতা লৈবা রামব'বুনি

'ঐদি লাক্লমলগদ্র থল্লুবনি।' থুনা ওকশিল্লকই রামবাবুনা 'লাক্লবদি ফির'ল অঙাংবা উরোইদ্রনে?

'হোয় মঙাক ল'ক্লগনি হায়নখিবা মতমগদি মহাক য়োবু য়োম্লক্লনি।'

"অহুপি মাকুন মাপু মাইকানং লোৎপাবীসু ফিদাংদোহুন্দা ঈ থোক্কি লেমজরক্তে!" ... লোয়ুনা মীয়ুংদা কুমিরকপা.মীশংবা শিদাক-চুনা পুখোকচুনা য়ুংবলকলা থেংনে।

চৌক্রি অহু মপান্দা থাং.দ কতুনা কমচ। মাহাক্কি অদিদা মকোক্কি হুইদাং হানবু, অমকথা অমত্তা চৎখ। ভারা চরিবা চাংলোন কয়া ভুনভনা পুক্কী থৌনা কুপখি। উনগী লম, মাইথী লৈবাক, য়ুনি মুঙ্গি কবাগী তোপ তৌরম, বাথলগী কয়না শাগৎকই অহুনয়বা মরুমি মীথুংশংশিনা কোল্লিবা।

মপাঙ্গী খ্রদোংচবা, খোল চাকবশীদমকতা লৈবা মীথুংশং নহেত্তু রাদবাবুগী মীথুংশং। খ্রদোংথীবশীংগী চেংবংফম, লম্যাং-নবশিংগী লমতাকফম, শাথী শাজৌশিংগী হতিংসকী চেনা ফাকথলকপদা অচৌবা মরেঙ্গা ইবক্লগদবা মীথুংশংনি।

উবগী পাঙ্গী কয়া মনা অমংতা মাঙুদ মক ছুবৌক খোক্কা চপ চপ য়ুংচুনা, লৈথি খল্লিবরাংনি সেম্নিংথাগী থাবল। উনগী পোত্তী চেক্কা কয়ানা মচাগী মতিজাক পুহনা হুমরক্কি। পাথং লৈশাবী জুবা জুবা স্কেট তোংচুনা কোইকবদগী চুমরক্কি। ক.াওগী মখোয়গী মরক্তগী লৈশাগী খবনা মথং চায়চুবা লক্করমগা চংথি। চায়রিবরাংনি ঐনা নাইতোম লৈবা উবসিদা,

ঐখোয়দি ইপাংগা লোচিননা কোইক্লরে. নহাকসু নপাং চাইতৌখো।' ঐসু পাউথমম পীকই খুং চায়চুনা।

'রামবাবুনা কৌথি পরবা রংবকী। মথো, পারু উনা বাইখো উরিমকথ, অছুকনা মমুলুন সেপ্পাপা থাংকী। মংখোম্বা চঙ্ক্রথসি থাইনৗঙা নঙ্ক্ষে থাঙ্গ থাপএবা মকমদপ্মান। রাম-বাবুনা চাঁছ দাঙ্কবঁদা শানশিঙ্কি।

'নঙ্ক্ষে কথা ঐ মৈনাঙ্কা ভাইহাঙ্কা কমগে বাম্বা বৈংলে কোথি অছুং মৈনাঙ্কা থক্লগে। মৈনাঙ্কা কমলে। রামবাবুনা ঐমী কছু সোংশিনবা চংক্লি। কোকঁদো অমিরকতমক তিংবদা মঙহিরি খেঙ্কেল কঁদো তারক্লে। ঐ পরগ পরপ খোর'ক্ল উবে, ভুপ্ষোই ভয়ংবোই নপ্মিদো চেঙ্কক্লি মথোং অদো উন মরকা পুথবা মথৈ। ঐ চেংখোক্রুনা মহকপু ওকপুই, সোয়নলা চেন-শিপ্লকতুনা ঐবু লেংক্লেং কোবশিপ্লবে। মীকুপ থরদি তুশিননা লৈনঙ্ক্ষে, ভাগিবা হাথরবু মহ'ঙ্কী নিংশা শ্বরমী খে'ঙ্কেল অছুগা মিংঙোল মামী তাথক নাইমবা থবক্ষী শদোং অ নছুনা হুকচাংদা খেংলকপগী মীহলগী খেংক্লেংছু নহুনা দং-দং ....

ঐখোয অনি চংমিম্নবক্লে মীথুংশংছু ভম্না, মতমছুদা থাজদনা উর ক্রিয়াল অনিছু রাকল নকল'।

মৈনাঙ্কা চৌক্রি অনি থারম্লগা অমচুং মৈ শেমম্লগা রমবাবু চাক শেম্বা চংক্লে। চাক চাতুমা অহিংছুমা লেকথি, অহিং কয়া অমসু লেকথি ঐখোয় অনি র'মবাবুগী মীথুংশংদা। অছুক হকচিনবা মরী অশুক থুংশিনবা মরী অমুক মতুংদা কাইনগনি থাজিবা মরী অদা ভসিদি মংলান্দগী ভাইবংদা ওস্কবে।

য়ুমদগী টেলিগ্রাম লাকই হৈমা নাই হায়রুনা, চৎতুবা য়াদব মতাং ওইবনা মাগা উনবদনা য়ুম তম্মা লাক্লে।

চোঙ্গদবা য়াদবদগী থা অমমুক্তো গোঙ্কুর। হল্লকপদা মহাক্কা উনবগী মতমদু ফংব্রে। ওফিসতসু থবক য়াম্মা চিল্লি। নোংমাদ ঐনা পেসন্ত অমগী সেবারি অমা ঐগী নাক্তা লাকখি। অহুগা তমলখি, নদ্দি য়ুম পানব্রে। সেবারি অহুগী মমাংদা নোরা নোক্ক খুমখি, কৈনে মহাক্কী অকবা লম্বীনি। অহুবু করম্না নয়াক অমুক্তা তমমুদনা। সেবারি অহুনা মখা তারকই, নদ্দি ঐগা য়ুমলোম্নবনি। ঐ দা'ক্তর অমম্ত্রং নদ্দিগী মরি ফজনা থংই অহুগা মহাক্কী হৈমুংগী বারিসু নিংথীনা থংই। দাক্তরসু মহাক্কী হৈমুংগী কিতম অমদি নদ্দিগী ফিভমসু নিংথিনা থংবীরমগনি। মচাক্নুম্না অবাবা নংবী হুপী দার্জিলিংদদা নাত্তু কলকট সভরদা কাউবা লৈরম্লোই।

মমা পোকতবীগী মীওৎ মীনি, মহাকপু অরানবা লম্বীদা পুশিন্নবা হোৎনবা মসিদসু নত্তনা মপাহুসু মতম পুম্বদা য়ুদা থকতুনত্তা লৈবা মীশক্নি।

মমাগী অপাম্বহু মপাহুগী অপাম্বনি। মমানা তৌরকপা থবক কয়াদা নদ্দিগা মং খেন্নরকপদগী মনা নদ্দিবু বেঙালী য়ুতাউবা অমদা মমল লৌহুনা লুহোংখিবনি। হসিগা থানা হুদিং মতানি তুব্রে লুহোংবহু। থাং খেন্না তাক শেন্দুনা লুহোংখি কনানসু থিংবা ভমখিদে। অহুবু থংম্মায় শোক্লিংতাই ওইবা

খোংদোক অমনা লুংহাংগদবা মোংশ্রো বাংশিংইজ অতিং অতুদা মমানা নন্দিবু থীনা লাক্লবিরি। মথুক্তা মৈনা চুবক্লা থাকিকম কাউবা নৈখি। মসিথক্তনি ঐনা থংবা হায়রবব।

অমুত্তাংদা, মাইকৈ মরিদগী খোল্লাউ কয়া কাউশিল্লক্লি। করিগীনো ঐনা থা অমা চুপ্পা হুমদা লৈখোকলুরিবা? ঐনা মকম অসিদা লেংদনা লৈরম্লবদি মশিং ঐগী থুক্তগী নাংহ্লোকঃ খিরোইকো? ঐগী আশা, মমাগী মীওং, চংজক্কম লৈজ্জবা অমত্তু চংজকম পীবীরিবা করম্ব। মীশক, বেঙ্গৌশি মুত্তাউবা, অতুপ্পা ঐনা কারি করম্না. মতাক্কী মকমদদি ঐগী মপাম্মোংগী অমহি মমুংগী মরি অমত্তা লেনপ্রবরা? অহুবু হুংশিকা হায়রগ্রুমদি লৈক্কমমনিকো মাগী থস্মোয়দা।

চৌকিদারনা খোং থীল্লকই, "সাহেব মুমিং জারে, খোং পাইবীগেংগেরা নত্রগনা …?" কাটির তম্না অহুমক হুল্লকলে।

চহি অনিগী মতু দনি মীথুংশং অতুদা চংলুই। জয়াম্লদা ইহোং হোংলম্লে। রামবাবুসু অহল ওইশিল্লরমলে। মকোক্লস্থু তৌরম্লে মশমস্থু তৌরম্লে। মহাক ওসিস্থু মশাদা চোকথবা কাউম্রি অত্তিওইগী সেবা তৌবা। হয়াউ মোমোন মীনোক্লা ওসিস্থু ঐবু তরাম্না ওক্লকলি,

"দাজুম বাবু লেংশিনবীরকউ, কুইরেদা উঅশিদবা করি অচিনবা লৈবননো, বাবুখোমদি ইবেম্মগা মুংঙাইনা লৈমিরখিবনা লাইরবা ঐংথংরগসে কাউবিরম্লগনি।"

করম্বা পাউথুম্না রামবাবুগী খঙ্গোয় পেলচনগনি ।

“হোয় ককা-পাউথুম পীরিবগী মমাংদা মতমচুপী কোফিদো ওসিন্দু অমতং থকচগে ।”

রামবাবু কোফি শেম্বা চংখ্রি ।

চংনিংলুই ওসিন্দু, ইনশিনবগুম তৌরি কৌরকপগুমন্দু লৌরি মতম অমগী মা ঐগী কাহুদগী শ্মৃতি অহুনা । ইচিক চিকই অহুম্বু মহাক্কী গুবদি, মতম অমগী গুরদি কা অহুদা ওংহুনা লৈরি খোম্বাং রৈহুনা লৈরি । নিংশিংলকই “দদা নহাক নতুনা ঐগী চংজকম কনাম্বু লৈজদে ”

খিংবা ওমদনা চেম্বরক্লিবা পীবাং অদো রামবাবুনা লোয়না য়েংলম্লে । কোফি গ্লাস অহু তেবল মথক্তা থম্লগা ইথুং অনিবু চেংনা পাইশিল্লগা হায়রকই,

“দাক্তরবাবু ঐ চিংনবতনা থম্লে ওসি নহাক্কী মীংলুদগী পীবাং উক্রগা, হায়বিম্বু চিংনবা লৈতনা ইকমদা নহাক্কী পুক্নিদা কবি খোকপ্রবগে হায়বহু। অমুক হন্না ঐখোয় অনি মৈনাক তম্না লাক্লে ।

✻ ককা, নন্দি ঐগী মুংশি কাদা য়োবা ওমথিদ্রে য়াম্না কুইদ্রে মহাক বেঙ্গোলি অমদা ময়ুম পানখিবা ....,

ঐগী বারি লোয়বা নংদনা রামবাবুনা হায়রকই,

“মহাক নোংমা ঐগী ’নাক্তা লাক্লম্মী ।”

ঐনা খাজদনা হংলুই,

"মহাক্ত মকম অসিদা লাক্লমী হায়বা, কমা কনা লাক্লমী, ঐগী মরমদা করি হায়রম্মী ।"

"উম ইবেম্মদো নোংমা মকম অসিদা লাক্লমী । মহাক মংস্তনি, শারি শেংলে ওভর কোট লিংলে অহুগা মরাই-বক্কা অঙাংবা শিন্দুর নম্লে । ঐনা খনবদি মহাক দাক্তর বাবুদা য়ুম পাল্লে অসিনি । ঐবু উরগা মহাক য়াম্না কপ্লম্মী । মরম হংবদস্থ থুম্লমঃদ অহুবু দাক্তর বাবুদা য়ুম পাল্লে খল্লুবা ঐগী বাখলহুদি ইপুক্লিংদা চিংনবা লৈখি । অহুদগী মহাক অঙাংবা ফিরাল অহু পুহনা চংখি ।"

"করে ঐগীস্থ অশংবা ফিরাল অহু পুখোকপীরক্লো ঐগী ফিরালসে হেক পুহনা চংখিবা মীকুপ অসিদগীনি মীথুংশং অসিদা লৈরম্বা মা ঐগী ইতিহাসকী বারি পুম্বা থুপখিগদবা

লৈতাকম থংলক্কে, থ.ম্বায় পুব ধারক্কে পুসিদ আসগুম্বা টৈথেং অমমুক লাক্ল রই । মাংদা খোকখিবা থোদোক কয়া ইচাউদা কাওশিং ভাউথরকপগুম মথং মথং মাংদ লেপ্লরি । রামবাবুনা ফিরাল অ.দা পুখোরকই । মথেক মাংলম'দ্র ওসিস্থ চহি অনিগী মাংগুম ।

"করে ককা ফিরাল অসে অমুক্কং খেংপীবু মীথুংশং অসিগী মথক্তা ।"

ফির.ল খেংলুরগা রামবাবু চংলকই, ঐনা লুপা লিশিং মথাখক পী । মহাক ইঙক ঙকই,

"করিগানো দাক্তরবাবু অমুক য়ুম্বা পৈশাসিদি"

"পৈশা অসি লৌশিনবীয়ু ককা, মীথুংশং অসিদা চংলকপা অংঙিবী কয়াগীদমক ঐনা খুদোল্ল তমজবনি।"

রামবাবু থোংকম অনিদং তুংদা হন্তোক্লই অহুগা মতক হায়হুনা হায়রকই,

"নত্তে শ্যাম, ঐ লুপা মরাম অদু লৌবা ঙম্লোই। কাই-নবগীদমক্তা ঐ লুপা পামজদে থুংনরগতবু ঐনা পেজকনি। লুপা অহু লৌশিনবীয়ু।"

"নত্তে ককা কাইনবা থুংনবা হায়বসে নং ঐনা শেমলুবা ওৎপা নত্তে। ঈশ্বরনা শিল্লকপনি লাইবক্তা তম্লকপনি। মসিদা ঋনাবুস্থ নিন্দা তৌরুবা য়াদে। সে লুপা অসি লৌশিনবীয়রবদি গতুং অমুক মীথুংশং অসিদা লাকচরোই, ঐবু মীথুংশং অসিদগী থাপ্পা থম্বীগনু।"

রামবাবু কল্লকলে হন্দক্তি, মতাক্তু ঐথোয় অনিবু কয়াগী মতিক মুংশিবা হায়বহু মীকুপ অঙ্গিমক্তদদা থংলকই।

"ঐবু করি হায়রসিগেনে শ্যাম, নহাক মীথুংশং অসিদগী থাপ্পা চংশিবা য়ারোই। মতম পুম্বদা নহাক ঐগা পুন্না লৈগদবনি, করে ওসি ইচানা পীবা শেল অসে ইপা লৌবগে। মতম পুম্বদা ইপা লৈরি ইচাগীদমক ওসি ইচানা পীরবা শেল অসিনা ইচা অনিগী মীং থোন্দুনা মীথুংশং অসে চহি কয়া লৈংহোরসনু।"

ঐবু চেক্তেং কোম্লুনা কল্লে। অসিগুম্বা থল্লোয় শোকপা ঙমিং অমা ঐতদা নত্তনা রামবাবুগী পুক্নিংদসু থোকখিজিবা মাল্লি।

মীখুংশংগী থোং হাংদোকতুনা মপান্দা থোরকপা মতমদদি উরে অশংবা কিয়ালদো মনিং তম্মা পাইরম্লি, অতিয়া থেংনা। য়েংলগা ডাইংডাক ইন্নক্ত, জ্বাল তারকই ঐখোঁ ডাইকরিবসে অরেম্বনি মগাক অমুক লাক্লরোই। অরেম্বদা মতম চংনা শাগৎ-চরকপা উনবী চিংদোলশিংদো মথং-মথং কিল্লরক্লি। লম্বী অদে মদা য়েংলুই চেক্লকপশুং তৌরি মগাকী শরুম, লোইননা কোরকপগুমসু তৌরি 'দাম্বাম .... দাদা' মমি শাগি। মতম অমগী ঈশৈ অমগী ভুরদো মাক্বাসিদা হুমা-কম্না ঐরকহ। পাউখুম পীরুই, অগাংবদা "নস্তি", খোম্থাং ঐয়েখি চিংগোন হাখা হাংমদা।

ওক্টোবর '৯৩

কাক্চিপুর

"মিরাংদা অখুবা কুর্রাক"

মুংখিলগী তুম্মুরবা, মুমিদাংদি তুম্বা থেম্বদা পুং বারো হায়-বসিমদি খংশোয় শোয়ক্নে। তুম্মবা উপাই খি কাম্নদে, লাইরিক পাররদি তুম্লিংবা কাউই হয়নবগুম তাই। উগু হাংদোক্লুনা করথা লাইরিক পাসিগে থম্লম, থি। লাইরিক থরা য়েংলবা তুংদা অ'নে'স হেমিংবেগী "এন্ড দেন এন্দদীদা" মীৎয়েং তাকই। ফয়ে ওসিগীদি মসিনা কেল্লগে থুম্না কমুংদা লোংথাক লোংলে।

শুম প্যাথে, শুম প্যাথে, ... লোংজংদগী উপ্লকই, উপ্রংদগী যম্ শাহুনা কুপ্লকই, যম শ'রম্বদগী ফমুং থাদোক্লে চৌক্রিদা তাক্লে। করম্বা মতমদা কমুংদগী চৌক্রি য়োঁ'শ্লবনো থংহৌদে। অহল অহুনা মুমিং হুম্নি চংনা অহুক চাউপ্রবা ঙা অহু কারক্লগা শার্ক-শিংগী মচিঞ্জাক ওইখিবা, অহল অহুনা শর্ক কয়া হাংখিবা মাগু মথৌনা .... পুম্নমক নিংশিংলুরগা তুম্বা থেম্বদি লাইরদনা অথোবা অহুদা পুক্নিং হেন্না চিংশিন্নকই। কদাইদা লৈব্রে নিত্রা লাইরেম্বী ও লাইরিকা নিক্রাগা ঐগী কান্নুংদা লাম্হেংনবদা লাইরক্না ঙমগ্রে।

ঘড়ি য়েংলুবদা পুং তরামাথোই তারমগদৌরে উপাই লৈতে কদম্না তুমশিগে হায়ুবগী রাখলদা লাইরিক নৈনবগী রাখল থাদোকই। অহিং অমা তুমগৌদবসি অমুক. রাম্না শোকচিল্লি

চায়বা ঐ ইশানা থংজৈ। কাটিরগী মপান্দা অমুক খোকই থা খোক্কে, থরানমিচাকতী কয়া ওইরমগদে যো মখিং থীবা ওমল্লে জেপ্রোপ্পা থুংবগুম বাউরি য়াউরি লংনা লৈরি। তিংচাকী শক্তাগুম উবদি ফংই অনকপদা অমুবা অৱাংবা চিংখ্রমশিং। অহৈংবা মুংশিং শীংলকই, কুইনা লৈবা ওমদে অমুক চংলকই। অমনবা দাক্‌-কোমিকশিং অমুক পাং, চোঁপ্রবা বারি কয়া পাই অমনবা দাক্‌-মিহুদগী। তাইহাক বাখল তৌই, দাইগ্রিপ মজন হাপলুই তাইহাকতু।

কায়দে কমুংদা চোংথংলে। উখন্তুনি লাংলহু তুম্বা য়াদবগী। হৌজিক্কী উন বাংমুক চাক্লে করিগুম্বা মতমদা কৌক্লং হায়রোনা অমুক অনিরক্না খোংলকপা মহুম।

মীং চেক্লং উইশিল্লে। করিগুম্বা অমম্তগী বাখল কাউবা থল্লরোই খমা ঐ তুম্মি, কম্মা থেম্মি।

"কদোমদগীনো মুন্নি খুশিনা থাদন তৌরিনৈদা থংলক্লিবা অংগাই শাথি অসিনা।" ফং .... ফং .... — ফং .... থংলে, খোঙজেল অদি অনোবা নংত্তে। নিংথী লাংদা তায়বা কুয়াক অচুনা লাংদগী নাক্লোক্লবা হোংনবদা মশানা কনবগী খোঙজেলনি।

"মীং অংপাং পাংথোকই, থল্লমিরহু অংশংবনি। মীওইবা তায়বস মীপুংশি চাউই। ঐবু কুয়াক অসিবু কনবিক্লসিরনে। হুম! কুয়াক অসি কন্নুরবদি মি অসিনা সংসারগী শাপ পুম্বা খোঙনা হৈখরক্লগনি উথক্লগা মহাকহু কুয়াক অসিনা, মুমিং নিনি হুম্মিদ লঙগাদনা।

মীক্লবা কাচিন-অসিবসি-মীক্লবা মাগী লাং অসি থাকচারিবা। কবিঙবা মকমদগী মচিশু কু কংদমুনা থুমিং নিনি হুরি চমা কেন্দুনা মরাং এক-এক কংশিন্দুনা লেপ্লরিবনি। মীওয়া মরুপা শা-থবক-শুদ্রা মচিপ্পাক থিবা চংচবগী ওবা নত্তে। কৈ চার্লসকী থাদোক-থিদু ইবো।

অদুবু কুবাক নংবু করিগীনো পাইকম ইরৈ চেক লৈত্রদুনা ঐগী কা অসিদা চংলকতুনা লাং অসিদা শাইশিল্লুরিবনু চা? উপ্রুলগী ইংলিবা মহাং অসিদা নংগী রাথলদা ঐগী কা অসিবু ইরায় কল্লিসনগী কোতেল অমনি থন্দুনা চংলক্লিব্রো? চৌকিক্তী করি শারেদো। নংনদি কমফিগু হায়না জগৎ সংসারগী জিবা থুদিংমকপু ইংপ্রবা অহিং অসিদা হৌদোক্লরি। অতাবা কনা য়াউরবগু পুকচেল চাউবা কনানো ইংপ্রবা অহিং অসিদা কৈজুপ মগুংদগী থোরক্লগা নংবু কনপদোরিবা। অহুবু শেংনা তাগি ঐতদি নংগী থোজেলসে ওসিগী থুংথিল্লদা মং মংলুবনা।

মংগু থন্দুনা য়েংউ, মংমকপু নংনা অভম জিবা অমা কা-হুনা নচিপ্পাক ওইরি, লৈরাংদগী লৈহি কাউবা থক্লি। ঐমকপু ওা চারি পুথ্রিদগী থোয় চুপ্পুনা। ঐমা চাগদবচুদং চাউ হায়না ঈশ্বরনা পীরম্লি ঐগী চিঙাক কয়া, নংগী কয়া অহুপা মিগী কয়া। ইশাগী শদোং কক্তুবকাউবা শীবী নিংথোওয়া ঐদি পুকচেল চাউবা ওমদে হায়বসে নং থংগদবনি।

থংত্রে, ঐ জ্ঞান তাত্রে নংবু কল্লুরে নংনা নব পীরমগনি। নাকল অমদনা মিনদী সংসারগী শাপ পুম্না হৈথরগনি। নংগী

ববনা স্বর্গ য়ৌগদ্রা মাগী শাথা পতাল য়ৌগংদ্রা ঐ. লেথা ওমত্তে অপিকপা উখিল মচা অমা ওইরুবনা অপিকপা কাসিগী ।

হৌজিক্তো ঐনা বায়েনবা ওয়েত্তোই ঈশ্বরবু বায়েংহল্লসি, মাবু জর্জ ওইনা থল্লসি ঐংখোয়ু অরুমা য়াংরেদনা ? অদুবু দুম্বিবদি নিংথমথাগী অতিং ওইরবা ঈশ্বর মাগী শৈথাদা চেপলমখিনি । হয়েং কাউবদং চাইরো ত্তাই বায়বস্থ বানা হয়েংদি কজরবা বায়েল চথনি । ওসিগীদি কাউনবসি - গুড নাইট । থৈ-মুংখি, থোং:ল্লল লেপখি, ক্রং-ক্রং .... ।

অহিংছু মতাক ঐবোন্দা হায়জবদা কায়রবোই থল্লছনা ঈশ্বরগী মকমদা হায়জব্রবমাল্লে, ঈশ্বরনা অচুম্বা বিচার তৌব্রবামল্লে, নোংঙাল্লকপদা উরে কুরাক্, মিগী লাংদা চপ তিংছনা লৈবছ । অছুগা নাকল অমদনা হায়রকপওম তৌথি মিংছনা "থেংক ইয়ু, সার গুড মোরনিং ।"

সেপ্তেম্বর – '৯৬

ছম্পুং

ঙাইকবগনু

[illegible]

মীংলবা থুবেলগী ইচেল অমদা বাথলদা হোংনুমহোইদুনা থাবা পুম্নমক হোৎনখিরকখি হি মা অ। ইথং থংহোম্বদা মপুঙ্গ লোয়বগী হয়লকপা অকনবা মোংহৈ হুংশিং অমদা উয়ে হৈকক য়েন্নি হেকপী হৈশাবী অমা ঊশিং ঊম্নাইদা হি লাকখিরবি। মোংহৈ হুংশিং অমুনা ঐথোঙ অনিবুদি তোর্বান অমদা পুশিন-বিরদুরে। মতমগুমদা হৈকক য়েন্নি হেকপীহুদি মহাক্কী হিদো ঊশিংতবা থারকলে। ঊশিংগী হপোমনা বাংনা কাম্নি। মপুঙ্গা পাইহিবা নৌ অহুনা ঊয়ে থায়বা ওন্নলকত্রে।

তোর্বানদা লৈবা কলাওবশিংনা মথাংহৈবু কিবদগী হৈকক হেকপীহবু হুংশিনবস্থ কনবদি ওনত্রে। মতমসিদা থল্লকই বাথলসিনা বিচার করা তৌরকই। পুন্সি লথেল অমদা মীংতাওবী অমগা তাওবী অমগা লবী অহু লাক্লোকপা মতমদা থেংনগদবা

অবাবহ অছুপা অমুক ইবাক্ষরবী অমপা অভোংবমা লেমী অমপমী অবাবহ হেক বদ্ভবদপী [illegible] হুবোবংপা ন্যাইবক বীগ্রবীহুপী বানাব ভম্মা। মা ঐ খেংমবে হি দাবল বযে অছুবু ভুংদপী বৈবকপা হুংখিং অমবা পুষবে ঐবোয় অবিবু প্রোবেকুম বং মুবা মমল অমদা।

[illegible]

বাবাপ্পুর বাবে ঐনাং বং [illegible] অর্থ।

কাইবেন '৬৯

খোয়াম

উচি বিংখো

চনক্কী পারিক্ক অসিমা খাদোক্লবদি এম: এ: হায়বহ্ নাংখ শেংনা লোইরগদবনি। পবিক্ক মনাক অঁসিদা য়ুনিভরসিটীগী চাং নায়না চংন্তবগী য়াদবনি। অছুবু ওন্থোক্লা অবাবা অমদি ওইরক্রে ঐঙোন্দা চহি অসে। কুইরবনি ওইনামগী ভাচাউবগা ঐখোয় অনি য়ুনিভরসিটিগী মনাক খন্না নক্লবা লৈবা য়ু'ব য়ুম অমন্তং থিরক্লিবসি অছুবু কংব্রে। হোস্তেলদনু লৈফম চক্রে। কবে খক্রে হায়রবসু বানা থবক চিন্নিব মখোয় ছাত্রগী পুনসিদদি কাইরে খল্লহুনা য়ুমদা লৈরে হায়গুম্না। লৈফম থিবা লেপ্লে।

ইকোনোমিকসকী বারতর সিস্তেমগী মভাংদা কোকলৈশিন্নি-লৈদনি মপান্দগী কনানো অমনা মথা থুগাইরকপহু। ঐনা খুম-হুবদা অমুকসু কৌরকই,

"নিলমনি, হো মসি নঙবু লৈরব্রো, লৈতবজাংলনে ?"

ভাচাউবগী থোক্লেলনি মংনি মাগীনি,

"হো ভাচাউবরো ? খোয়ক্লে খোয়ক্লে।"

'হায় খোয়কউ লাউনে নঙবু বাবি অমা তাম্নসিনে'।

লাইব্রিকতু টেবল মথক্তা মথুম খুমজিন্দুনা থম্লগা খোয়কপ

মতমদদি তাচাউবদু অহেংবাক্পা মাক্লিবা খুদৈ মতেককুনা খাংবি ময়াম্ কপ্পে ক্লপা মখেৎনা চুরিতাকমদা থাম্মুনা ক'ল্ল ! ঐনা, “এঃ তাচাওবা হেক্তা কাখংশীরকউনে কিদাহু অমংতা থাওদবা চুরি তাকমসিদা, লৌইহেদে, সে সে মোবাসিদা কর্মবিনু।”

হরউ মোমোন মীনোক্না থল্লহুনা তাচাউবানা হায়রকই, “সদা নংগী কিদাহু থব্থখবো ঐ নংগী হুংতাহৈবা পাউ অমা তমগে খরা চেল্লক্লবনি। তম তৌখনি, নংনা লম আপ্পা কোংলক্লা অংচৌবদা হেক হেক চৎপদ্ম ঐনা হুংতাইরহুনা নংনা লৈনবা মুম অমা কোইথি খিবদা কংলে। চিকপনা মকদি মওপা চামংগদবা। মকয়া নখোয়গী কোলেপা অচৌবগী ইমাপ লাপঞ-ল্লে। মপুগাদুম ঐনা লোয়না উমমমবনি। নহাকী লৈকম কং-বদা হরাউমনপ্রহুনা চয়েং হেক্তা লাক্লগে হায়দোক্লমবনি।”

‘অশেংবরানে তাচাওবা হায়রিসিবু ?

ঐনা হর উ ১ কংই।

“অশেংবনিবে নওবু, ঐনা বংতোক্পা অমুক কাগী তোকখিগ-ক্রা কায়দেসে ইবুংঙো এমঃ এঃ হায়বহুদা লোইনবা হোৎনগদবনি নথান্বনা অমুক কয়া চেৎনরিবসি লৈকাইসিদা লাইথিক হৈবা মী লৈতেপে। ‘লাইথিকনু হৈনরবদি চৎখোক চংশিন্না লৈখোম তৈরিবসি তৈখিগদ্রো ? কায়দে হয়েংগীদমক নপোৎ নচৈ য়োং-মশিনু। লৈশাবা নয়ুমা হাপ্পা শকক অহমগী মহুৎদা ঐনা অমা হুংপকনি।

"অহুনা তাচাওবা হয়েংশিনু খুয়োময়োইদুনে ?"

"হয় : খুয়োনবা নত্তেনে খেঙমনবনিনে ।"

"নংনা খল্লিবগী ঐ খংই, ঐনা কাথবহুল্লি হয়েংশিদমক ঐনা লুপা ৫০০ পীগনি, হয়েং চংতবা য়াদবনি, তুম্মিং খাবান নিংখৌনা য়েংশগনি ঐনা হুয়েং লেপ্পিবসে । করে ইয়াম্বা চংলগে নন্যাউরুপা তোংদোনবনু, মপ্পা, অদুদে চায়না লৈকোই থপী অমত্তা থাত্নুনা য়েংলগ ।"

তাচাওবা চংখ্রে, ঐনা খুংগী মুর্তিশুন লেপ্পুনা লৈকোইরে । করাদ ওবা ওয়োক্লা থুনা .... । তৌবদি তাচাওবসে শিশক পীক্লিইদেমী ঐবু পোকমিন্নবা মনাউদ মনাউশুম লুনা তৌজরকপনি মকম খুদিংদা মকম খুদিংদা ঐগীদমক্তা পাখোম তিংবীরকখিবা ইয়াম্বনি ।

অয়ুক্কী পুং মাপল তারমদাইদনি তিম্না কুপ্পা মল্লবা য়ুম অহুগী মখোংদা ঐখোয়গী ওক্তো অহু লেপ্পা । য়ুম অহুগী মপু ওইরবা মাল্লে মীয়াই চল্লবা ভদ্রলোক অমা চংশিল্লকতুনা মখুৎ অন্নি খাজংলগা ঐখোয়বু প্রনাম তৌরকই । ওক্তোগী পীগম থোকপা পীখোকপ্রগা য়ুমহু ভম্না চংশিল্লকই ।

য়ুমদোমপোকনি; পীকতক চেৎতক রাম্না খুংশিবা য়ুমশানি । মখাংদা খোংনাংবোং অমা হৌরি । তুপ্লতগী চংলক্লিংনা লম্বীচুংক নত্তন য়ুমহুগী অকোয়বঙ্গিংহুদি নাপী শীংনাংতনা থন্না হৌরি । কুইনা মী লৈনকপ্রনাল্লে, খোংনাং মনাশিংনা লৈমায়দা অমদি

য়ুমথক্তা কে'ইচায় চায়না তাবি। মগী মচাঁবা কক্লাংশিং কিশতুনা ঙাক্নি। য়ুমচুগী কা, থুদিং মিয়াংশিংনা মকম শাত্তুনা লৈরি। পুক্নিংসিদা থুংবিং নিংশিংলকই, *Drakula The princes of Darkness* অমসুং *Dark Bangla*, অদুবু লাইবিক পাবগী-দমক্তদি নিংথীনা চিক্লবা মকম অমনি।

কা থুদিং য়েংলবা মতুংদা মসিনা মকরে থন্দুনা মতাইথংবা কা অমা থলে। য়ুমবু অহুনা শীংত্তোক চামথোক্লবা মতুংদা কা চোংশিল্লে। তা চাওবসু য়ুমবু অহুদা, ঐগী মরমদা পুকমেন পাউমেল্লমগা চৎখ্রে। য়ুমবুদুসু থুমিং মরিনি-মরিনি লৈরগা লাক্কে হায়রম্লগা চৎখ্রে।

য়ুম অসি য়ুনিভর্সিতিগী ছাত্রশিংগী লৈননবা লনাই ওইনা শাথিবনি। ছাত্র মণ্ডা তরা পুম্না লৈবা নত্তুনা অমা অনাদ কনাসু লৈনদে। লৈগে হায়রুহনা লাকহৌববুদি নত্তে অদুবু য়ুম-লোমপোক অহুদা মথক্তা লৈবা তন্দুনা হন্নখিবা তাক্লি। মতম থরদি য়ুমচুবু নাম্ননবা হেৎনবদা কাইথোকখ্রে। ওহ্নোক্নসু চিক'প্র মী লাংবা, গাড়ী চৎথোক চৎশিন অমত্তা তাখ্রে চিংয়ানগা ওইবনে।

লোক ১৯৯২ গী থাশিং থরদি লোকতাক ঈশিং কংথরকপনা মনিপুরগী য়ুমথোং অয়াম্বা অমবা তুগী আহিংগা মাম্লখ্রে। থাউমে পুদোনগী মৈরিলকতা লাইবিক পাবগী নোংঙানবদদি মাই-মিং নাচোন পুম্বা মুশিন মুরম্মী।

চকচাং ভরাং ভংশাইরে। বা লান ইথাং থাংনিংদে। য়ুনিভর্সিটিদগী হল্লকপা কাউবা ইমান্নবা অথবা কাউবা য়াবি শাগনিংবগী হুংঙাইবা লোকত্রে। ইনে থোমবোলনবী থোজা য়োনকম মপা লাখোরক্লে। হুমিং থুমিংগীদি মকম অসিনা ঐবু হেক হেক কৌশিনবনি, অসিদি ওমখিল্লে। য়ুম য়োবগী কমুং মথক্তা অচুমক —। নিংথম থাগী হুমিং ওইবনা হুমিং ইথেং থেংজবস্থ মতমদি য়াম্না থেংলে। চাক চানিংবস্থ কাউত্রে অমুক থোংগে হায়নস্থ থজুরে। পরিক্ষ মনাক ওইবনা লাইখিক থমদং পাসিম্না থল্লি। কাকতোকই, কুইদে বাহৈ পরেং অমা ক উব অলোচনা তৌবা নংত্রি নিত্রা লাই.রম্বীনা কমুং কাংথোল থোক থোক নোমকই, ঐগী অকোইবদা কোইচেল চেল্লকই। য়ারোই থল্লহুনা পুম্নমক্পু বিদ্যাই পীরম্লগা কৈজুপ মপুংদা চংলে।

অহিংগী পুং অমাদি তারম্লগনি। চকচাংসি থংত্রেক থংই খুন চোংথংলি। হায়স করিনো? হৌজিক্তৌদো করিনো? মানি থংনবা কা অসিদা দিন ওথরকপগী মথোল্লা নত্রগনা য়ুমথক অসিদা করিগুম্বা অরুম্বা পোং অমা তারকপগী মথোল্লা? অনিসীগী মপুংদা অমদি শোয়ত্রে। মিহুন দং লং চোংই শম চপ চপ য়ুংই থর হোনবা কাউবা য়াদা কি উমহুনা হোল্লে। মী অনি গুনা লৈমিত্ররবদি কম্মিনো করিনো আদি থম্নবা য়াবনি মতুম ওইত্রে কমদো তৌগদবসে?

ভাইচাক্তী অচিকপাদা ত্রিনৱ্রে। ওঙ্গেক্নদু চিকখ্রে, ইশা ইপা গী খুৎ শানবগী খোঙ্জেল ফাউবা তাক্লে। মতমসিদা অন্তান শানই থন্থবা চৌরকই,

তুমখিবৈদা খাঙ্গনবা খাউমি অদুনুদু মুংশিন্নরক্লে, খোংনাউ অদুনুদু লোনখিবনি অদুবু হাংদোক্লম্লে। মাগী শাগী খাবল মওল্লা খবা ক উ জুক্লকতুনা কাগী লৈমাযদা তাররি। খোংনাউগী পদাদু কন গুম অমনা শাইবগা কোয়চিং হিংলি।

কদাইদনো ঐনা মেখেৎ ওন্নাহনবু? মেখেৎ থক্ষম ফাউবা কাউক ভকোনবদা চেংনর মোনপাক মথাদা। অমুকস্তু শ্রো.... শ্রো ...শ্রোক .. প্রেক... ক্লিং... ক্লিং হংনবা কা তাদুনা। ঐনা মেখেৎ অদু শংখেৎ খেৎপনা খাংথাং মখোলদি তাদনা খোংজি মখোল অদো চন্থি মাগী শানখি তুমিন্না লৈখি।

ঐগী পুক্নিংদা আসগুম্বা মথংগী অকিবা, তম্নবা অসে অমুক্তা থেংনখিত্রি। ইপাবুংনা ভুট প্রেৎশিংগী মরমদা অপাং ওইরিবৈদা বারা কয়া লৌবিখি। য়ুনিভর্সিটি ওস্বা ছাত্র কয়াগী অসিগুম্বা খোদে কসিগী মরমদা কয়ারক ভাগ্রবনি অদুবু নোংমতম্নু নিংশিং-লুদে ওসি দ পুম্নমক শৈরেং খিথরকপগুম নিংশিংলক্লে। অফিং অদো তুম্বা য়াদনা অদুমক চৌক্লে।

লোইঙাঙনবগা অশেংবা খংগে খন্দুহনা ককপাং অদুদা অহোবা মখুল অমা থম্লে।

মথংগী অমুক হুম্নিগুবা অথেংবা অহিংদনি, নোমু ফুম্লিং

ফুনা সংসার পুম্বা তাউখহল্লগে' খম্ম চুরি। অঙকপ'নি নিংখমখাদা কয়াদা কম্না চুম্বিবা নোংনো। নোং চুবগী খোঙ্জেল অহৌ য়েঙ্পং-লগা অমুকন্থু থংনবা কা অহুমক্তদা মমাংদা তাখিবা খোংজি মখোল অহুমক অমুক্কা হন্না ....'।

হায়দগীদি অকিবা থম্মা করে। মানি মখোল অদু জগোই শাবী চুপী অমগী খোংজি মখোলনি।

মসিবু অশেংবা ভুট হায়বহুরা নত্রানা কনাগুম্বা কনাগুম্বী-শিংনা অচিকপা মকম থিহুনা লোম্না থুপ্না সুংশি মকা ফোং-দোক্লিবক্লাংলু অহু নত্রগনা জগোই শাবী অমা মকম অসিদা শিখিবগী মাগী থবাইমি ওইবক্লাংলা? অশেংবা অমদি থংলগে থন্দ্রনা অহোবা মথুন্তু তম্না খুনিং কাংখং শাংথংনা চংশিল্লে। টমীং অনি অসিনা অরোইবা মখৈ লাউথাক্লুনা ওরো ওরো ওংতুনা য়েংলে কনানু উদে অহুবু খোংজি মখোল অহাদি লেপ্তুনা চংলি। কা অদো পুম্নম মম্মী। হুরানবা যারগে খম্না জোর্চ পাইথংলে থুত্তো থুংলাই অম্না পাইরে তপ্না থোং চংদোক্লে। থোং চাংবগী মখোল অহদা খোংজি মখোল অদো অমুকন্থু তুমিল। লৈরে। ঐনা থংনবা কা অহুদা লাকপা মতমদদ থোং অদো মপান্দা শো লোন্দুনা লৈরম্লে। ঐ ওশেংনমক কিরে। মীংসিনা অইত মফমদা য়েংজুদ্রে ক ওম্না চংশিল্লক্লে। ঐগী কা য়েক য়োবগা অমুকন্থু তারক্লে খোংজি মখোল অহু। ভূটনি হায়বসে তশেংনা থাজরক্লে। থাংবা ওম্ল.[illegible] কপ্লিংলক্লে। হয়েংমক য়ুম

অসি খাদোক্লগা চৎলগে লেপলে । ঐবু মরম অসিদা পুবিরক্লিবা তোচাওবা অমস্তুং য়ুম্ন অহুবু ঐনা নিন্দা তৌজরক্লে । তোক্লিক্তা খংল'ক্ল, মম অসিদা কনাগুম্বা অমৎতনা কা বাইহুনা লৈত্রিবসি খোংজি শিবা ভূটি অমা লৈকননি চায়হসে হংলক্লে । ঐসে অমুক কয়াদা পংলক্লিবা ? ঐবু নমথাক তৌতুনা ভূটকী কা অমদা লংশিনবীরম্লে । ভাইচক্তুদা অমুকস্তু তারকলে খোংজি মখোলস্তু, ঐ কিবগুর শাউনিংবগুম থংলাউ লাউবি—
"হ'য় কনানো খোরকউ মীবু অস্তুম কিচনবশী শরুক লাউ ইমাংদা খোরকউ অওম অচম্বা মুকথেক্লসি নংনা ওম্লে ঐবু চাংলু ঐনা ভম্লে নংবু চাংকে"। খোংজি মখোল অহুদি লেপখ্রে অহুগা থুম্লকই, "কনানো করি তৌরে ?"
লমচাংদগী থুম্লকপা খোজেল অহু ঐগী নাকোংদা থংনবা কা অহুদগী ওইনা তাররে । ঐগী কোক্তা চৌরিবা তুমহুনা লৈরিবা পাদক পাদকপা শমশিংদো খোজেল অহুদা তুম্বা কাইরবা মাম্লে চপ চপ লেপখৎলকই । মওক মচশিংহু থাঙ্গৎতুনা অকোয়বদা কনা লৈবগে য়েংলকই । পুমচিক চিংখ্রে পুম্লনক অচিকপদা তিনখ্রে । ভাইচাক লৈরগা তোক .... তোক .... তোক খোংথাং মখোল অমা তারকলে । কৈ থেংনৈ চেল্লগা পওম ওক্লে চায়বহুনি, চাং নিলমনি নমাংস্তু লান নতুংস্তু চেল করম থেক্লগদবনো নহাকসে !
খোংথাং মখোলহু অস্তুম নকশিল্লক্লে অস্তুম অস্তুম নকশিল্লক্লে

লেপ্নে়র খোংজিল মপান্দা খোংদা ঔীল্লকই কোক .... কোক ...
করিগুম্বা হিংনবগী উপাই অমত্তা লৈরে। চেন্দুনম্মু কাম্নরোই,
চেনক্ষমম্মু লৈতে। নিংথমথাগী অহিং অসিদা ফকচাং পুগা হুমাংনা
পমচোং চোংলে। ফকচাংম্মু চেং থৈবগুম নিক্কনে। মীংজগী
মী ত'না থাউমৈ চুথংলে। অমুক অনিরক খোং থিল্লমগা
লাক্লিবহুনা,

"কনা'নো, করি তৌরে, খোং হাংদোকই সে হাংদে উ:ন।"

ঐনা খোং মক্কমদা থাং অহু থাজৎতুনা চেক চং কপগা
য়'ম্নবগী মওংদা লৈহুনা খোং অহু হাংদোক্লে। মুপা অহু
চংলক্লে। ঐনা থাং অহু হায়থবগী মহুত্ত, মুপা অহুদা অহুনক
য়েংহুনা লৈরে। ঐগী ইত্তো উরগা,

"এচ: করি তৌরিবনো নংদি ?"

ঐ খুর শাংনা অমুক্তং তোম্নগা মুপা অহুদ, বা'র পুম্বা
লোইনা ত ম্ন। ঐগী বারী তারগা চপাহুনা য়াম্না থাজনা থৌনা
চৈরকই,

"হায় মীকিথী কদাইদসি ভুটনোনো চৌজিনপে। লাইবিকম্মু
ফনা য়াম্না তম্লিবনি। অম্মুক চাউথৎলবা মতনাসি ভুটকক্হুব
লৈরব্রো ? তুম্নো তুম্নো নমং নহাদ পংউ ডবা প৩া তাং
ওইরিনি। নমাইদো ঔশিং অকুংবন: শেংনা অমুজং তাথে'ক্লগা
তুম্ম। ঐ লৈকাইাসদা পোকপনিনে। অম্মুক কুইনা লৈরকপবু
নংগী অহুগুম্বা বারি অমুক্তা তারকত্রি, কাম্নদে তুম্নো তুম্নো।" মুপা

অদু চৎরে ।

ওস্থোক্লা থীনঙ্গু ইকাইবা ঙাক্রমস্রেদা । ঐনা ভৌরিবসিবু, চুম্লিত্রা নত্রগা লাম্লিত্রনে ? নৎত্তে ঐনা অচুম্বনি হুমিৎ খুদিংগী অহিং কয়া তুমদনা থেংনম্লিবসিবু অবানবা ওইগদ্রা ? নত্রগনা লাক্লম্লিবা থুপা অদুনা ভূট অসি শামলিত্রা ? মহাক্লা মতম চাদনা থক্ম অসিদা লাক্লিবা করিগীনো ?

অমবু ওইবো অমবু ওইবো হৌবেংমক মফম অসিমক থাদোকপা ভাবনি । ঐ বোং চানবা চাইদুনা লৈরে । শাউনিংবা, অকিবা অমসুং ইকাইবনা থম্মোইবু খুদুম চনরে ।

য়ুনিভর্সিতি চৎতনা চাইরকপনা অয়ুক্কী পুং তরামুক ভারকপদা য়ুম্নুহুগা উম্নবা কংলে । মাবু উরগা, অহিং অনি ঐনা লৈরিবা কাহুদা কাহুনা পুন্দুনা থম্লগা ঐনা থেংনম্লিবা খুদোং থীবা অদু মাঙ্গু থংচম্লিংই । মহাক্কী মফমদা বারিপুম্বা অমৎতা চিথদনা লীরে । ঐগী বাখি তানা তানা মহাক্কি নোকমি নোকমি অহুমক লৈ ।

ঐনা বায়ী লোইশিন্দনা,

"নোকপীগনু, করিগী নোকপীরিবনো ? ঐবু করেম্লরিবা করিগীনো তাকপীয়ু ।"

ঐ শাওরে থংবদগী মহাক্লা তপথনা হায়রকই ।"

"অমুক্তা তপ্পথবিখো ইবুংঙো ঐ বা হায়গে তাও, য়েংউ মী চাক্তা লৈবা খুল অমদা হিংচাবা অমা থাজিল্লবদি মীশিং অহু

লৈবা ভম্নখিগদ্রা ?

ঐ মহাক্কী যাহৈহুদা অমুক্তা হেম্না ভক্লে । ঐনা ভংব তংদ্রে থংবদগী মহাক্কা মথা তারকই ।

"ওসিংবক্তি ইবুংঙোনা ওকপীরিবদো অহুমক ওকপীগনি হয়েং অয়ুক পম্নমক ঐনা ফননবা শীঙ্গগনি । হৌজিক্কী অদোম চংপী-রা য়ুনিভর্সিটীদা ইবুংঙোগীদমক ঐ ফননবা শীঙ্গগে ।

ঐনা য়ুনিভর্সিটিদগী হল্লকপা কাওবা ভদ্রলোক অহল অহু অহুমক লৈরম্নি । মহাক্না ঐবু ভাইরম্নিবান ঐনা কাদা চংজিহৈদা কৌশল্লগা হায়রকই,

"ওসিংদি যারবস্থু বানা কিরবস্থু কিনা অহুমক তুম্বীরো । হয়েং অয়ুক অঙনবদা ঐ লাকচগে অহুগা ইবুংঙোগী অবাবা পুম্বা কোকহঞ্জগে ।"

অহিং অহুসু খোংজি শিবি অহুনা ঐবু অহুমক লক্কহুনা লৈরে । মীং কক্লা অমত্তা উচশিনবা য়াজ্রে । নিদ্রা লাইরেম্বীসু খোংজি শিবিনা মাইথিবা পী-ত্র । ঐবুসু মাইখিবা পীরা লেপ্লা লৈতনা ।

নোং ভাল্লকলে সুমিং নিংথিনা থোরক্লে, অহুমকপু নহাল-মথৈগী মতৌগুম্না ভৌখিদ্রে খোংজি শিবী জগোই শাবীহু । ওসিদি নোং ভাল্লবস্থু মহাক কাদগী চংখিদ্রে হেন্দোকখিদ্রে নগালমথৈগী মতৌগুন নোং ওল্লবনিনা উরগনি মতাগুম অহোবা অহুদা য়েংলুই জগোই শাবীহু অহুব অঙকপনি মীংসদা উরি অমনবা ফমুং,

দরম খালি ১/২, অহুগা টেবল চৌক্রি অমগা। চিংনবদি কাউন্নি রাখ্লসিদা অকিবদি লৈক্রে অহুবু মসিমদি তশেংনা খংলে, য়ুমবু অহুনা করিগুম্বা থরদি কা অহুদা থবক ওটনা পাংথোক্লমলে।

চকচাং শেংদোক্লিদৈদা য়ুমবু অহু লাক্লে। অহুমক নে কামি নোকমি তৌই। ঐ উবদা লাউরকই, "ইবুংঙো ওসিদি ঈযাম্বনা নংগী অবাবহ কোকচল্লগদবনি। ল্লাকও লাকও লোইশিল্লো।"

খংনিংবা য়েংনিংবনা খাংবা ঙমদ্রহুনা শেংনগা লুকক্লে, খালতিন অহু থাঙ্গৎতুনা ক্সাই ....। মহাক্লা কাহু শো হাং- দোকই। ঐ মহাক্কী মনিংদা লেপর্তুনা লৈ। কাহু তম্মা চংলক্লে কনাহু লৈতে করিমু লৈতে অহুবু খোংজি মখোল অহুদি হেম্মা হেম্মা মখোল থোক্লকই হেম্মা থুরকই, জগোই শাবী অমনা অথুবা তানগী মতুং ইম্মা শাবা অথুবা জগোইগুম। ঐ ঙকপা অহুনক কাওরি। মতুংদগী মহাক্লা কাংখদা নোম্বখিহুনা করিগুম্বা অমা পুথোরক্লে। মঙমহুদা উবে য়োংকী শরং অনগী মমুংদা মঙকশমদা খো জি শিবা অচৌবা উচি অমা।

তৌজিক ঐ মংফাউনরে অহুগা ইকাইবা অনম্ব পোক্লে, অহিংদা খেংনখিবা মুপা অহুগা য়ুমবু অহুগগী মফমদা। য়ুমবু অহু শরং অহু পাইহুনা নোকপা খংলি মহাক উচি অহুদা অহুমক য়েংলি। অহুমকপু করম্মা করিগিদমক উচি অহুদা খোংজি অহু শৌক্লরিবনা হংয়বা বাহংসিগী পাউথুমাদ ঐনা ফংজ্রি। মরম অহুনা উচি অহুগী মরমদা য়ুমবু অহুদা হংলে য়ুমবু। অহুনা

লৈখ্যাই ভানা য়াবী অহু লীয়কই। "মতম অমদা ঐগী ভড়াগী য়ুম অসিদা ছাত্র য়াম্না লৈরম্মী। মী লৈবা অহুগা লৌবুক ওইবনা উচিহু মরাং য়াম্না কাইরম্মী। উচিশিং অহুনা ছাত্রশিংগী ফি-বোল অমদি লাইরিকশিং চিকখৎলম্মী।

